নোংরো-ক্র-চৈক্ষম

নোংপোক-লৈম

(ছাত্রশিংন ইব অমসুং উংপ তম্নব)

লেংখিব।

জি, সি, তোংব্রা
যামিনী সুন্দর গোল্ড মেদালিষ্ট,
হেদ ওফ মণিপুরী ডিপার্টমেণ্ট, ইম্ফাল কোলেজ।

মমল, লুপা ৩.০০

প্রিণ্টর এণ্ড পব্লিসার,
গান্ধী মেমোরিয়েল প্রেস, পাওনা রোড, ইম্ফাল।

মে, ১৯৬৭ ইং,

অহানব কোংব কোপী—৬০০

লীলা মীকোক

(পাঃ)

১।	লালুপচিংব	— পাবুং —	চহি	৪৫
২।	ময়াংবম দিলিপ	— মৈতেবুংঙো রাজকুমার —	,,	২৫
৩।	কেপ্তেন রনজিৎ	— সেক্রেটারী —	,,	২৪
৪।	চীঙ্গাবম অহাওব চাব	—	,,	২২
৫।	বসন্ত বাবু	— —	,,	২৫
৬।	নবদ্বীপ শর্ম্মা	— কোর্বেক পায়ব —	,,	৪৮
৭।	তুরেঙ্গাও মিশ্রা	— দূতী —	,,	৪২

(পীঃ)

১।	নোংপোক লৈমা (১) গি মজাইবেম্মা	—	চহি	২১
২।	সনারৈ	— মমাশিজ —	,,	৪০
৩।	চীঙ্গাবন লশীংলৈ	—	,,	২২

নোংপোক-নৈম

১বা উপ

অয়ুক্কি, লালুপচিংবৈ য়ুমদ। নোং থব থর হাংসকপ থল্লান থামৈদনি। বাঙ্গলা অমনবদ ফজরব ফিরাংজি থাব তাংবন অম লৈ। মচি মচিদ কম্লব চৌকি মোড়া থারি। মীগ্রাম ভিন্নব হোল ওইন তৌই। কেরবী সনারৈ উরৈরোম শংব ফনেক শেং, ইন্নফি মোইরাংফি চনব ইন লাকমিন্নৈ হোল মমুংদ, পায়জামা শেংপ, খুদাং লাওবীদ নেহরুকোট নম্ব, টুপী জম জম লাওব পাঙ্গলগী উপ্ন তুরেঙ্গাও মিঙাগ বারী শাহুন। মিঙাহু মৈতৈলোন ভাংবদ থিংতমক থোইরব জাংনি।

সনারৈ— তা তুরেঙ্গাও নংন থল্লান থাগী থামৈসিদ ফাওরকপসি নোং পুরকপ্রাও, মুংশা থীরেদা লৌ শিগত্রা হায়রুনা ?

তুরেঙ্গাও— শকহেনবা সনাইবেম্মা, মীগী মাংনব তৌব তুরেঙ্গাও নত্তে, লৌ হোম হোম চাওহনগে, মহৈ মরোং জুম জুম পালহনগে ফাওরকপনি। শক কজববু শুকহন হল্লদবসি চৈরাওবগী চহি থাবদ চৈ চিথহৌব কয়ারক শুবিরবগে ?

সনা— নং হেক, লাকপর তা তুরেঙ্গাও ঐনু শকসি থর কম্মথৎপ্রা।

থল্লি। থাগৎলি হায়ব খঙন খঙন হয়াওদব ওমদে ঐদি মিঞা সাহেব। তশেংবনি—

তুরে— তাঙাংনা স্নম স্নম পিকশিংল্লে থুইজিল্লে, সনাইবেম্মন হকচাং ফগৎলিব কুচুন লম্ভংলিব— সত্য চাক য়েঙ্গাং তাংই হায়ববু কাওইদা। নহা ওইরিঙৈদ কজবন য়েংববু ডম্নিরোইদা অল্লাই কসম।

সনা— করিনো তা তুরেঙ্গাও, ঐন লৈশারিঙৈদ হায়রব নিংথৌ মচাশিংছু করি করি দেশভক্তীনো মশক ফজরিব মগুণন লৈরিব য়ামখ্রেদা! ঐন মিস্থংশি য়েংব ওমদহুন সত্য কাংগ্রু অমগী শ্লেট ওইহুন মাংহৌবনিনে।

তুরে— কাংগ্রু হায়বদে সনাইবেম্মা?

সনা— হেরা নংগী তাঙাং লাপ্পুপ চিংববুনে।

তুরে— হো—হো, পক্ক হায়বিরেদা; করিনো রাশি য়াম্ন লৈদা ইবেম্মসা! চাংঙাগী কাংগ্রুদি নক্তেদনা।

সনা— ঐ লৌত্রবদি শিরনি হায়হুন ইকাইব থঙদব মথৈ মান সত্যাগ্রহ তৌবনিনে ঐথোয় থোঙ্গান্দ। ইগুংলাংগী মীগী মচা মথল্লাই মাংহনব হৌনদে, মবুক্ক চপ্পু য়ুংলবদি মহাক নত্তব লাখপতিগী মচাস্থ পামজত্রে হায়হুন ঐন চরা হেল্লিব কাংগ্রুহ থক পোথৎলগ চেনবনিনে।

তুরে— থেঙক য়ু, অহুনিদন স্থংশিহৈবী পুর্ব্বাচলগী চন্নু হায়হুন। থায়নবিনিংবদি কয়া কুইরবগে?

সনা— তা তুরেঙ্গাও নংবু মীগী ইস্থং মস্থং য়ুবান, ইনশোক তৌব চংলিব্রা অতৈ করি থবক লৈরগে?

তুরে— নামৎ শিংপ থবক তৌব মী নত্তে ইবেম্মসনা, তাম্নু থুমু খিব তোকচরে। কজবগী কারবার তৌজরে। কজব লৈরগ কজব মকমদ কজ্রন য়োনব— য়ুম অপৈব ম্নাওয়ম্মগ চুম্বিব, য়াত্রগ থুদেক্লম্ব অনৌব শাজনব।

সনা— তা তুরেঞ্জাও নংবু মীন লাইব্রা হৈ হায়নৈ, খুবাক মই য়েংবসু চুমখ্রে হায়নৈ— অত্নুগ

তু— ঐনবু শেম্মবদি নুপী থগুদে, নিপা থগুদে শোইব লৈত্তে হায়নরিবনি।

স— হোম্নে অহুম্ন তায়নে। ঐ মুংশা থীরক্লে নঙ্গী নত্তোসি, মাইথীনগ ইমং য়াম্মু হায়বনে—

তু— করিগীনো মুংশা থীরিববু ? নীংব থুংদব কনা লৈবগে ? অহল থগুদে নহা থগুদে, মতিক মপা চাব চাদব— তুরেঞ্জাও ঐ লৈরি— ঈশিংন অনেম্বদ চেম্নজবগুম চেম্নগল্লক্কে সনা খুংতা।

স— ঐন মুংশা থীরিবদি অতৈগী নত্তে, মথোয়গী তাডাংন উথ্রগ কত্তে, লাইমন হৌথিনি। নংন হায়নীংবত্নু করিনো হায়রো। ঐথোয়দি খেরা লৈবিপোৎ নত্তে হায়ববু নং তাডাং থোয়দি হৌনৈ হৌনদে, চংনৈ চংনদেন মথো ওইরিপোংনি।

তু— ঐন ওসি হায়জদোরিব রাকমসিদি সনা ইবেম্মা তাডাংন লাইমন হৌগদব য়াফম নত্তে। নহাল নজা ইবেম্মত্নু কাং মত্নুংদ লম্বীদ থেংনৈ, ঐন খুবাক মই য়েংববু করিনো ইবেম্ম-ত্নুদি মীচম্ন লৌব য়াব মী নত্তে, কম্বান তোংউ, নিংথৌ লাইবক য়ুমদিম্নৌ হায়ব লৈনে।

স— মাগীবুদ্ধি মাইবী পাঞ্জিন শোইররোই, মহাক লৌব নিপান পূর্ব্বাচলগী নিংথৌ ওইনি হায়নরি থওডি। মতম থর রাংদৈপ ঙাইনরিবনি।

তু— হুজিকপু নজাইবেম্মা নোংপোক লৈময়ু কদোমদ লেংখিবগে ?

স— মহাক্তি সুপা লিব কোইন চৎখি। মতিক চাবসি কংদহুন ঐথোয়স্তু থম্নরি থিনরি— মশানস্তু কোইন খিব চৎলি।

তু— রান থিদৌ শরুক নোংপোক্রোমদ নিংথৌমচা ফরব অম লৈনে সনাইবেম্ম'। পূরান্দ হায়নব অঙাংব শেৎপন পূর্ব্বা-চলগী ফম্বান তোংলনি হ'য়বহু ঐন হায়রিব মীশকসি থোকই —থাজাবিযু সনাইবেম্মা।

স— নোংপোক্রোমদ লৈব নিংথৌমচা।

তু— অহোয়, অঙাংব শেৎপ ঙাংবমনি।

স— নং তাঙাং লালুপচিংবহু ঐজ্ঞা নদ্বীপ পাঞ্জিগ রা তায়নি হায়হুন চংখি, ময়াম তায়ব হায়হুনি। থওদেদা ঐগী মতদদি ঐথোয় মুপীমচাসি মুপা লৈরে, চাওরব মতিক মগুণ লৈরব নি'থৌমচা অমন লৌখ্রে হায়গুমস্তু তৌই। মাগী রাহু লাইরি, লৈবাক্কৌ রানি। ঐগী লম্নাই খুবাক মইসি অমুক্ত মুম য়েংউ। নত্রে ঐন পোকপনিদো নোংপোক লৈম হায়রিবহু, ঐগী মই ইফং ফত্তন মহাকি ফব হোনদে হায়ব। ঐবু কাং-গ্রুগী শ্রেট অরাওবী ওইন স্তুম তোক্লজ্রা থওজ্রে!

তু— করিগী ফরমদদগে, অমুক্ত তিংথোকপিয়ু লাপ্ল য়েংজগে।

স— নখুৎন পায়রগ য়েংউ, মাংব শেংবগী রা চংবিব স্থপী নত্তে ঐথোয় ইম' ইচাদি।

তু— (পাম্বরগ মুম্ন য়েংই) ঋাম্ন কৈনা করিনো মইসিদে ! মুপীমচা নোংপোক লৈমগীগ থেম্নবসি থিজ্রনি, খুবাক ময়াইদ থিঙং-লকইব মইসি থিজুং কৈরপ থৌই, মাগীন চূমদ্রিংন থম্ন শাংব হেম্ন কাই।

স— মইসি থিজুং চুম্ন শাংদোক্লব শেঙ্কা য়াদেকো ?

তু— মই অমুক শেম্মুদ্রবম্ন ফমনখ্রপোংনি, পুকচেলদ য়াংবিম্নু, লেপখ্রব ম্নাথল পাক পাক হোংবিম্ন। তুংদ য়াম্ন মুংঙাই-রকথিনি সনাইবেম্ম।

স— তুং ঙাইবদ কপ্পাপ চোক্লবনিনে ইবুংঙো। কাম্নপোং নত্তে খুবাক মইসি থর চুমথোকপিরম্মু, খুমুং মী ওইঙ্কনীংদ্রে, তুংদি তেম্নম্মনি – মাং শাংখ্র। নঙ্গী কাবক কাবক য়েংবহুন চংন-পোং নত্তে, চাম্ম থকউথিসি থর মুম্ন য়েংলম্মু।

তু— নঙ্গা ইবেম্মগী ম্নাসি বাথল মুম্ন তৌবিয়ু, ঐন হায়ঙ্গরিব ঙাংবম মচাসি মশক মত্তৌ, মতিক মগুণ চপ চাব জাংনি।

স— থম্নাসি নং তাঙাংম্মু লাকথিসম্নু।

তু— মুংঙাই য়াইফন লৈবাকসি অমুক্ত পালহন্সি হায়ম্নবদি সনা বুদ্ধি তৌবিয়ু। লৈতব লাইবব, শেংপ চাব মনীং থুংদব লৈবাকসিদ লৈহনবিরোই হায়ম্নবদি নোংপোক্লোমদ লৈরিব নিংথৌ মগাসি সঙ্গ তৌব য়াই। (চৎমিম্নথি)

স— নংন নোংপোক্লোমগী নিংথৌমচা হায়ম্নিবসি তা তুরেঙ্গাও, অচৌ অপিক থায়দব মী পুম্নমক ফিভম মাম্নন থম্মি হায়নত্তু ওইরম্মি। ঐদি মতু তম্লিংবা, খ্বাইগী মকোক থোংন লেম্ন পানবন পাম্মি। (চৎন চৎন ঙাংথি)

তু— হাহৈ হায়বংনি সনাইবেম্মা, মী পুন্নমক কনান মাল্লকপবনো খুবী খুনাও খায়ন্নি— মকোক কন্ন য়াওদব য়াত্রা উৎসব চাবদ। (চংখি)

(কৈজোম শেংপ, ফুরিৎ খুদাংলাওবী লিংপ, চন্দোল কজন খিনব, মুগা য়েৎপ বোর পার্টিগী য়াওরব মোমোন নোকপা বসন্তসিংগী মখুৎ পায়হুন চৌংফি শেংপী চৌংগী চন্নু কেরবী লশীংলৈন শাওরপ লাকই।)

লশীং— কদায় চংলুন্নিব অশেংব তাক্লোইরদি, ঐদি ওম্মোই দিয়ার বসন্ত? (চিংহুন পুরকই)

বসন্ত— তপথো লশীংলৈ, মাই দার্লীং— শান্তি। ঐ মরুপ অমগী লুহোংব, মেরিয়েজ চংলুবনি। ঐ ইশাগী লুহোংব নত্তে, ঐ হুজিক অতৈ কনাগীস্সু নত্তে— লৌহুন থম্মিব পাখঙনি ঐদি, কনাগুম্বী শকংহনবী অমগী।

লশীং— তাইল্লু নাকোংদ লশীংলৈ ঐগী, কনানো শকহেনবী লাইবক ফবী কনাগুম্বীহ্নু? লাংতক্রে থম্মোই নোংহাংন লাকপদ লুহোংনবগী পাওন মনম মনম তাবনে, অমগী খোইমুন পুকচেল খোইগরবনে—

বসন্ত— লৈরাং মউ তাবু হায়রগ কোরী শাক্তে মানব লৈ, লৈরাং মান পোম্মিহৈদা লুপা কোন্দুম মানব লৈ, লৈরাং মান শাংলগ লিকোল থরাক মানব লৈ, শিঙেন মাবু পুহুন চংপদ সিনেমা লমজাও তান্নরৈ, মরুপ মপাং অচৎ অওর ইঃ ইঃ কনানো হায়নরৈ, শিঙেল মাবু চিল্লগ মোংব ইরান য়াইদ চংখিবদ, পলেম পম্মোন করম্মো করম্মো থম্মাই মানরৈ,

লৈরাং অতৈ নত্তে, শিজেল লশীংদৈ নঙ্গীনে পাখং ঐহাকসে।

লশীং— (বেগতগী চুরুট অহাওব ১ লোৎখোক্লগ মচিন্দ চুপহল্লি মৈখেৎ খেৎলগ চমহল্লি, হরাওই):—

মুংশি মুংশিনব খম্নোই ইংব রাহৈ রাতাসি ডাক্ত, তম্পাক্ত তোইন তাব কংবন চৌংদ থক কুইন লৈনীংদে, মকম চাদন চীংমাইদ থিনব মুংঙুমগুম ঐগী থরাইসি তুরেনগ লোইনন তম্পাক্ত হেক্ত চেম্বনীংই ইবুংদো। ঐন হুজিক তাঙখিব মুংশিব শৈরেংতুবু কদায়দগী চেম্বরকপনো ?

বস— বসন্ত বাবু ঐগী চিনবান্দগী চেম্বখিবনি— চৌংদ শাৎপী শকহেনবী কাওগে কৌবদ ভমদবী।

লশীং— বসন্ত বাবুগী চিনবানসিবু মতম নাইখিব্রা নীংথমথাদদি ভারেল হৌখিব্রা ?

বস— মতম পূন্নদ, নিংথম কাঞ্চী, শরৎ বসন্ত থান্নদন ঐ নংবু মুংশি লশীংদৈ।

ল— চান্ন ডাংখিরিব অথুপ্প রাহৈসিবু পুক্লীংগী এশেংব লোক্তগী চেম্বখিব্রা ? নত্রগ চিবান্দ তৈখিব দীপষ্টিক ওইরব্রা ?

ব— অথুপ্প রাহৈ ডাংখিব চিবান্দু ঐগীনি, চিন্নান্দ ডাংউ ইন্সিনখিব পুক্লীংতু ঐগীনি, ঐ অসিন নঙ্গীনি। চৌংন কোইব পূর্ব্বাচলগী নিংখিরব তম্পাক চৌংদ শাৎপী শিজেল লৈরাং শিংন ভারকন্নি।

ল— তম্পাক্ত ভানত্রা হায়ববু খুইহুন তোকপ্রা কন্নিনো থওত্রি দিয়ায় বসন্ত।

ব— করিগী হুাই? বগস্ত ঐ লৈরিদৈ মতিক লৈতে হল্লকপ য়াকচাংগী উন, লশীংলৈবু খুইহন্নব, লাক্লরোই অমুক হয় অকনব নোং, মুংশিং, লেন লমহেনব। নীংঙাইদন লৈয় তম্পাক লম ঙাল্লবৈ, নংবু থাদোক্লুন কৈদৌঙৈদ ঐহাক মপান থোকপ য়ারোই।

ল— অহুদি অশাই, ঐগী ওইজ্রবব নংন করিগী হায়থি?

"শিঙেল মাবু চিল্লগ মোংব ইরান য়াইদ চংখিবদ পলেম পাস্থৈন করম্লো করম্লো থল্লাই য়ানরৈ।"

ব— থল্লাই য়ানরৈ হায়বাদ হংবস্ম নংবু ঐথাগী বাজ্রিগ ইমাগন য়াদবগী য়া নাওনে। ঐদ ইপা লৈতে, ইম লৈতে— চাংগ তমগ অমত্ত ওইন তিনশিনবদ বেরা তৌবিনব অহগ লম্মন মরী মতা লৈঙদে—। ইশাগীদি নান থঙইবহুঙাই নংবু থাদোকপ য়াব চাঙখত্তব মী নাও লশীংলে।

ল— পলেম পস্থোন থল্লাই করিগী য়াদোরিবা?

ব— থল্লাই য়াবগী মরমদ নথোয়গী চাংমী ইপা ইপস ইমা ইবেমন শাওগত্রা হায়বগীনি।

ল— চাংগ তমগ চাম্নবদি ঐথোয়গী ইপা ইপুদি পাখিবনিনে। তম নথোয়ন ঐথোয়বু নয়ুমদ চংহম্নিংদবদগী শাওনিচুব ঙকশমদ নেকটাই পুন্নখিবনে। চাং তম লিংজেল মাম্নত্রবদি অয়াপ্প লৈবাক্কি মীন হরাওথিনি; নথোয় ঐথোয়ন কপ-হৌগনি। মরম অহুননি ঐন নংবু অহুক মুংশিবিবা।

ব— হোম্বনে ঐস্থু মুংশিরিবনে অহুগী। মমাংঙৈদ অহগ লম্ময় পঙলমহুন চাংগ তমগ তোঙান তোঙান জাম্নরম্মবস্থ নথোয়

ঐখোয়গী হাক্তক্তদি অমত্ত ওইরসি চান্নরসি হায়ছুন নংবু মুংশিজরিবনে।

লশীং— মুংশিনবসি চীং তম মীয়ামগী মমাংদ লৈ পরেং ছক্লছুন ফোংদোকসে। চীন্দদ মুংশি মুংশি হায়নবনদি কান্নদেয়ে ইবুংঙো।

বসন্ত— ঐ ফিভম অম চা্দ্রি ফুরিং অতুমন লৈত্রি লশীংলৈ, মুংশা থীগন্নু, ঐ নঙ্গীনি— কনাগীস্নু নত্তে চান্নখোইবী।

ল— ইনাক থুনব মহৈ হৈব সাহেব পাথং কয়া কয়ানি ঐবু মখোয়গী মেম সাহেব ওইরগে হায়রিবা। ঐদি ইবুংঙো ফৈংজোম ফুরিং পামহৈ, নেকটাই ট্রাউজর পামদেয়ে।

(মীতৈ ফনেক মপাম নাইব শেং, মুগা ফুরিং লীং, ইন্নফি ফজব অম ইন, কবো ছাতিন অম ছুপ, ফেনাং অম তোং— থেক্ক থেক নোগ নো নোংপোক লৈম কেন লাকই। মতা লশীংলৈ উবদ পরপ পরপ চংশিন্দুন—)

নোংপোক— ও ইতা ইবেম্মা লশীংলৈ! গুদমোর্নীং!

লশীং— হেল্লো ইতা ইবেম্মা, নোংপোক লৈমা! উন্নব মুংঙাইরেদা ঐহাক ইতাবু থিজরকইষনে।

(মনাক্ত চংশিল্লি মবুং থনম্মগ)

নোং— ঐবু থিবিরকপ ওইরবদি ইতা ইবেম্মা কৰিগীনো ঐখোয় তাচৌপ অতুক চীকথন রারী শারম্মিবা? ঐবু ইতান থিবিরকপদি থোক্তে, ঐন ইত্তাবু থিবকপদ তারে হুজিক্তে।

(থর লোন্ন ভাংলৈ)

ল— ইত্তাখোয়গী তাচৌসে মবুকচেল চাওয়ে, মরম অহুন রারী

শামিগ্নব মুংডাইয়ে। ইত্তাবু খিমিগ্নক্লসি হায়জরম্মিবনে। ইত্তাবু কদায়দ চংপিরুবগে?

নোং— ঐস্থ ইত্তাদোন মী অম খিব চংলুবনে। উগ্নরক্তে — ঐগী করি কবি পুবিরকপগে চৌংনৈবাক্তগী?

ল— অথুম্ব অহাওব উইহদি ওইংবাইত্রা থডদে, ঐগী ব্রদরন ইত্তাদ থম্মোই মচেং অম ফক্রগ পীবকই।

বস— অছুব্দি নথোয়নী ব'বী ভহাক শাখো, ঐহাক চা লোল্লখি-গেংকো ইচন অনীয়ক। (চংখি)

নোং— (নোকক্কেং তৌরগ): ইত্তা ন'বু্ তাচৌন ইচন কৌখিবহু চুমব্রনে?

ল— ইত্তাগী হেক পোকামিম্নব ইবুংদি নত্রোক।?

নোং— নত্তে, ইপল পোকামম্নব ইনেমী'মচানি। মাগীদি মপাম্ব নৈত্রে, মমাম্ব নৈত্রে. ঐথোয় পাবুংন য়োক্লন ঐথোয়দ নৈমিম্নৈ।

ল— নঙ্গী তাচৌবু ইত্তা, অচুম্ব ব্রা ভাক্ত ভাংবিত্রা?

নো— কারগী ভাংদনগে? কৈদৌরবগে?

ল— মহাক্ল অচুম্ব ভাক্ত ভাংবিরবদি মান ঐবু মুংশিবিরে, ঐনম্ব ম'বু্ ইম্মোক্ল মুংশিখ্রেবো ইত্তা।

নো— মুংশিনৌ বেরা নৈত্তে, চৌংগ তমগ মুংশিনব ফত্তব নত্তে। অত্তেপ্প নৈবাক্তৌ মীগ মুংশিনরুরবদি নথোয় ঐথোয় কায়-নরক্লান। ঐথোয়গী পাবুংগুম্ব কয়া চাওথংকব থরমদি চৌংগ তমগ লোন নৈনব য়ানিংদব য়াই। ঐথোয় নহু'রোলদি অমত্ত ওইন চাম্নবদ নরুব মশেল মুংশিনবদ য়ানীংদব য়াও-রোই। নথোয় তাদন ঐভোন্দ করি পাউ চেম্লকপা?

ল— মহাক ভসি নত্তবসু হয়েং লাকপিগনি হায়বিহৌই। মহাক্ন নবু মুংশিন শোনবদি ইভা ইবেম্মা কবিগ প্রমান তৌসিরা!

নো— অওইব্রনে ইত্তা ? মহাকপু নেকটাই পুম্ননি, থোঙ্গাও অচোনব শেংতুন নোংচুপ্ত ভিল্লনি হায়বদায়নে?

ল— উয :, কনানা হায়রিবনো? ইতান পাম্বিদে হায়বগী নোং-চুপ্‌ক লৈচৎ শাজং ধর্ম্ম লৌবিসিরা, মথোয়ন লুন তৌবিগদ্রা, মেম লোব ফংবিগদ্রা— পখনে থনাবক্রুবননি। ঐগী ইবুংদি ঙ্ক্তাবু য়াম্ন মুংশিবিব মীশক্লিনা! মতম পূম্বদ নোংপোক কৈমদ শোন্দুন কৈব চীংজাও থোক্‌মনিনা মাদে; পান্দুম অএত্ত চারবসু নঙ্গী শকক তমদব উদে। মাইরেন্ন মপান শাংপদ ইতাগী মশক্কি ভাকইলে। ঐডোম্দ, মাইরেম্ন মুম্নব মতম অমুক চাওব মতমদ ইতাদ পীনবনি থাকপ নিপানিন মাদে।

নো— ইত নঙ্গীসি ঐদু হরাওহনগে হায়তুন পংহায় হায়জিনব মাল্লিদ।

ল— চীংগী লাইম্ন তম্পাক্কি লাইম্ন থঙ্গনি, ওইদব ঙাংবিব লমীং কৈ নত্তে ঐদি।

নো— ইবুং অহাওব চাববু কৈদৌউ লাক্কদগে ঐথোয়সিদ ?

ল— ভসিমক লাকপিগনি। ইতাগী রাথন্দ মহাক থবক করিমস্তু শুবিনিংদে।

নো— নোংচুপকি ইনাক থুনবশিংন মুংভাইহনব— শেম্বিব ভম্মি ইতাথোয়বু। মথোয়বু পামদতুন তম্পাক চম্নু নোংপোক কৈমবু চীংজাও থোইমুন মুংশি হায়বসি থাজবদি থর রাংপ জাংনি ইত্তা।

ল— চীং মচা লাইরৈ, শেল পামই হায়ব চুমই ইতা ; অতবু শেলদগী মুংশিবন হেন্ন মমল য়াম্বি হায়বসিদ্দি চীংমীমু থগুই, তম্মীদ নত্তন।

(থোঙ্গ্রাও শেংলি, বুস সার্ট লিংলি, চীংক্লিদি মরেংবান্দ য়ানবোই ইনবোই ভৌত্তুন মিষ্টর অহাওব চাব শৈরেং ইব বহি অম পায়তুন লাক্লগ লাপ্লপ্প মুপীমচা অনীমু উবদ কৌরকই।

অহাওব— হেল্লো' ! মিশ নোংপোক লৈম !

নোংপো— হেল্লো— মাই দিয়ার অহাওব চাব। মতম কুইববগী তুংদ অমুক উব ফংবদ নুংঙাইরেদা।

অহাও— চীংদগী তুরেলন তমদ চেন্থনীংবদি করিবু হায়নি তম্পাক লৈম। ইশ ন চীংদোন্দ লৈরবম্ব ইথ্রাইবুদি তম্পাক্ত লৈবনি থগুড্ড নোংপোক পাম্বোইবী। চীংমী ইপা হুপল, ইকপ ইপঙ্গাগী মমাংদ ঐদি তম্পাক্ত তেংইন কুম্ববগী হকাইব-নিনে। ঙবাং চংসিরা নহাল চংসিরা খনবিবনি, মুমিং খুদিং ইকাইবগী মস্তং লাংগ য়ৈথোকপনে।

নো— ঙসিদ কমদোন ফাওরকইবা ইকাইথীবাও ?

অহা— ঙরাং নহাল তৈথিব ইকাইবে পাউদরম্ব ঙসিদি কোকথ্রে, তম্পাক্তি কুম্মৈ য়েংবিগে হায়জিন্দুন লাকপনি।

নো— পূজাম্মু ব্রাংাল হুজিকপু করি কুম্মৈ য়েংদোরিবা ?

অহা— ও! পড়লেদকো 'নোংপেকে লৈম'। কুম্মৈ অতৈ নত্ত্রে —নঙ্গী কুম্মৈনে, নংন লম্বীদ চংপ, নংন ব্রা ভাংব, নংন চেপ্প য়েংলগ নোকপম্ব ঐগী মুভ্রাইব কুম্মৈনে। চক্ষু অহোবদ

ঈশিং থিনব ম্যাদবন অহোবদ লিক্তুন চংথিবগুম ঐগী পুক্নীংসি ইকাইবগী পন্দগী লিক্তুন ভম্পাক্ত হেক্ত চেম্থি। ইহে, ঐদি কাওবিরে, লশীংলৈ— নংবু করি তৌরিবা ? বসন্ত বাবুন চা থকসি লাকউ হায়দুন কম্না কুইরে ও ইহৌবা।

লশীং— ঐতোম্মদি তাকপিব কাওরগ ইবু'না। ইতা ঐবু চা থকউসিরা ?

নোং— থক্লম্মু ইতা, ঐ:থায়মু লাক্লগে। অপাম্ব য়ারী মুংভাইন শারম্মু।

লশীং— মবুকচেল শেংবিয়ুকো ইতা। চৌংগী থোইমুদি লৈরাংগী লৌনম থওজদবনি।

অহাও— ইয়া! নংন করি থওবিবা! (লশীং চংথি) মান মবুংবু মুংশিবগী পওহায় হায়থিবনি, শাওব ওইগমু নোংপোক লৈম।

নোং— করিগী শাওরুদগে, শাওরোইয়ে পাথও। নহাক লাক-ত্রিভৈদ নচনমুপীন মুংশি নপাও পুরক্রম্মিবনে। মুংশিব মীন থারকপ মীদি মুংশখ্রপোৎনে।

অহাও— নঙ্গী ইপা নঙ্গী ইমান ঐবু থরথিজিক মুংশিবিরবদি শকহেনবী নংন ঐবু লাইবক ফংবহনগদ্রা ?

নোং— ইয় ইপান য়ারবমু য়াদ্রবমু, মথোয়ন ঐবু অতোপ্প নিপাদ থাজবিথ্রবমু ঐদি শাথংবু লাইবক ফহনব পামই। ঐবু মুংশিবিব মীগী মমাই থীহনব পামজবী নত্তে। নোংদম থীবদগী ঐবু মুংশিবিব নিপাদ ইয়ুম পানব ফংহোম্রবমু মাব ঐন কাওজরোই, মুংশিহুন অহুম লৈথিপনি। মুংশিব হারব

লীচিংসি লংগী লংজাগুম থদংপ য়াব পোৎচম নত্তে।

অহাও— মহুনি ঐগীস্থু তম্পাক লৈম, নুংশিব হায়বসি কুইর কুইরগ কনব হেনগদবা’ন, মাদি কায়গনব পোৎ নত্তে। অতোপ্প নিপান নংবু— লৌখ্রবস্থু ঐন নংবু নুংশিবদি কায়খিরোই কৈদৌউদ— অরীব য়ুগুম মহাওহুম হেঙ্গৎকনি।

নোং— কারিগুম্ব ঐন লাইগী নোংদমদগী নঙ্গোন্দ য়ুম পানব থোক্লং-বদি ইবুংঙো— ঐদি নখোয়গী য়ু থকপ হায়বত্থু য়ারোই হায় থঙ্জো— পাবুংনস্থু মত্থু ওন্থোক্ল পামখিজ্রে।

অহাও— নুংশিব মীন হায়ব রাদি লাইগী য়াথংনি ঐ ওসিদগী মীবু শাদ হুন্থহনব য়ু থক্লরোই নোংপোক লৈম, নংবু ঐন লুহোংলবস্থু লুহোংজ্রবস্থু। নুংশিবাগীদমক নিপান তৌব ওমদব থবক তাইবংপান্দ করি লৈগদগে?

নোং— মুপীবু মুাশংব থওব নিপাবু নুংশিদব মুপী তাইবংপান্দ পোকপ হৌনদে ইবুংঙো।

অহাও— থাগৎচার শকহেনবী নোংপোক লৈম, নংদদি তাইবং-পান থুংন নমিং চৎসনু।

(রারী জবেং জবেং শাহুন লালুপচিংব অমদি নবদ্বীপ শর্ম্ম থোরকই। অনীমক চন্দোল চরা ইবং লংন থিল্লকই, নবদ্বপ্প মপোক য়াম্ন হোরে, নাকন্দ কোর্ব্বেক য়েপই, চৈত্থু ওম শুরকই, নশা নানব মরল লৈব মৈতৈ অহলগী মতৌনি অনীহু।)

নবদ্বীপ— য়ারোইদোরে লালুপচিংব ইবুংঙো কমঘো ইচিম্নাও ঐখোয়ন থিংদোরিব পল্লিবো?

লামলুপ— মতমগী ঈথীলন অত্তম্ব চৌংদগী চেন্থরকপগুম মপাঙ্গল কনব, ইচিন্নাও ঐথোয়ন ঈবৈদ হঙ্গংনে ঈরোইবগুম পাঙ্গল থোক্তবননি আজ্ঞ। ইপুইনাইথোয়ন ওয়মথৈ কন্ন হোৎনহুন থিংহুন য়েংব হায়বহুনি। য়াদ য়াত্রগ করিদৌনি পল্লি লাউন হোগায়হন থনম্লগ লোইরে।

নব— বেদ শাস্ত্র ধর্ম্ম গ্রন্থ, কোর্ব্বাক্ত খোংলম্ব লাইরিক্ত ইরম্ব য়াবু অপাম পামদ য়েংনরগ খোঙ মোঙ্গাংগুম্ন উপনিংলগ উপ উপ্নিংদ্রগ তোক, নগুণ থাংনিংলগ থাং থাংনিংদ্রগ তোক, চাক চাদ্রিবৈদ ঈরুনিংলগ লু, চাকচ তোক্লগ চন্দোল থিন্নিংলগ থিন, চীংবৈ চিন্নিংলগ চিন, পাঙ্গলগী য়েঙ্গাং মহাও তংনিংলগ তং— করম্নো থডদে নহারোলগী মতৌস ইবোডাং লালুপ-চিংব। ঐথোয়ন থারিব সমাজগী পাঙ্গ মকম মফমদ ফোং ফোং কায়রে হায়, থিংব য়াদোরি।

লা— ঐথোয়ন পাংদবননি আজ্ঞ নবদ্বীপ। অহল্লোন্ন মপাঙ্গল হন্থরকপ নহারোলন মপাঙ্গল ঙগংলকপ— অনীসি লাম্বা চাদব অহুননি। থকাস থাস থওহনব তায় হুপী অডাংন মপাঙ্গল য়াংলিডৈ, ঐথোয়ন য়ৈথব ও স্মডৈদ। খুংফম খড-লবদি মখোয়স্থু চাওরগ লম পংহেন হেল্লোইদবনি, ঐথোয়ন শোইহৌবনি আজ্ঞা নবদ্বীপ। ঐগী য়াদি য়ুম থুদিংমক, লৈকাই লৈকাই, খুঙ্গং খুঙ্গং থুদিংমক সিফাইদ ক্যাম্প তম্বিব-গুম চংনরোল, থকসি থাস তাম্বিদব য়াদে। ঐথোয়ন ইচং নাইদ্রবদি নহারোলন ইক্তৌ তাম্ব আজ্ঞা। ঐথোয় অজ্ঞা নবদ্বীপ, হুপী ও লোম্লব নত্র? অংতাম্বীহ মাইক নিঙোল

নত্র ? নহা ওইরিবৈদা ঐথোয়গী অজ্ঞাসি ভাওরমখ্রেদকো।

নব— মতু হুজিক পুংথাবক্লস্থু লালুপচিংব, থাইন চংনরবগী তৌ-বনি। হুজিক মুপী অমত্ত লৈত্রে, নহাক্নোন্নন থওহৌব নত্রব অধ্যায়তু ইচিম্নাও ঐথোয়ন পুথোকপ কাম্নদে।

লা— কানবুদ্ধ কদায়দৈ কাম্নগবনো আজ্ঞা। বাবু হায়রিবা— ইচিম্নাও ঐথোয়স্ন নহা ওইরিবৈদদি মুপী শেমদোক শেমজিন, চেম্থোক চেম্জিন, অয়ানব মীবু চুমহন্নব সাক্ষী ওইব, মীগী মতৈ মনাও থংনবব ইন্সিনব, হূরানবপোং লোংপ য়াওবিব— আজ্ঞা, ইপু ইনাই ঐথোয়ন থুঙং অম মাংই হায়জিনবগু থরাইবু মাংসাম্নদা—

নব— ডাইথোনে লালুপচিংব অভাংমুবীন তাখ্রগ ঐথোয়বু ইরা চত্তহুন তৌকনিনে। অসিদ লৈরিবসিবু ইবোডাং নথোয়গী মুপীমচা নত্রনে— অহেম! (অমীন লাম্নপ্ন য়েংই)

অহাওব— ঐবু কদায়দ লোৎসিরা নোংপোক লৈমা ? নঙী ইপান উথ্রগ শাওব ওইগত্রা ?

নোং— করিগী লেংবনুদগে ? করিগী শাওরুদগে নহা মশেল রারী শামিম্নববু হমুব মথোয়গী করি মথৌ লৈগদগে। মথোয়স্নু নহা ওইরিবৈদদি মরম করিস্নু ওক্লম্পোং নত্তেয়ে।

অহাও— চুম্ম শকহেনবী, হম্নব হম্নবী ওইরব মতমদদি ঐথোয়স্নু মরম ওকনি, অয়ানব পাপকি থবক ওইব অমস্নু তৌবি-রোইসি।

নোং— মানি, ইচা ইশুদ রারকপ মতমদ মরম ওক্লকপ শাহুন ডাংলগ লোইরে। (নোকমিরৈ)

লালুপ— (মুক্, মখুৎ খন্দুনা য়েংলম্বদগী) : ইবেম্মা ! মদুদা মথন্দা ভাল্লিবন্দুবু নোংপোক নৈমা নত্রা ও ঐন অমত্তং পোকচবীদো ?

নোং— মানি পাবুং নমেংয়ে, ঈশ্বন্দা নত্তে রারী শারশ্লিবনে মরুপ অমগ ।

লাল— আয় আয় ! অত্তোপ্প অমস্তু য়াওরিব্রা ? নংনা থানীনপুম ভানবতুদদি থরান মচাদুদি ইপান উরুব্রেদনা । মাংদা থোকই-বসি আজ্ঞা নচন সিজ সনারৈন পোকপ থাজ মানবীদুদা নত্তে, অনী শুরিনে অজ্ঞা পণ্ডিত উবিব্রাও ?

নব— ঐদি অসাইন উরপোংনি লালুপচিংব, ফজদে হায়গত্রা হায়দুনা ভাক্তুবনি । মতম অসিন রারী শামিন্নবগী বেরা নৈনত্রবনিন শারিব ওইরিনি । রারী হায়বসিদি শাববু হৌখ্রবদি মথং মথং পংশাংদা শাংদোকপ য়াবনিন—লুখ্রে ।

লা— (মনাক নকশিন্দুনা মুন্ন য়েংলগ) : হায়মা ! ঐদি অতৈ কনা কনা ওইরবোই নীংউই, নংদি চীঙ্গবম অহাওব চাবনিনা ?

অ— মাংনি ইপা, খুরুম্জরি । নজ্ঞা ইবেম্মগ Love talking তৌব শাবনি মহ ওইবগী । (নোংপোক ইকাই)

নব— কবি হায়রিবনো লালুপচিংবা ?

লা— লৌউব তোকপগী রারী শারিবনি হাইয়ে আজ্ঞা পণ্ডিত ।

নব— চীংদা লৌউব তোক্রে, তম্পাক্ত উরগে হায়রিব্রা পাখণ্ডদুবো ।

লা— মদুগী রাথল থন্নবিব ওইরমানে, মথোয়সে ।

নব— মডেন্দা লৌকম অম হেক পীথোকপদি কদায়দৈ—

লা— কদায়দৈনো রারী শাব হায়দুনি— অহল লম্মন য়াওদনা হুজিক কান্দবু লৌম সিয়োন তাংলবদ । ভাইথো মুপীমচা, নমাসিল্লবু কদায়দা নৈবগে ?

মোং— য়ুমদা লৈখিনি মাংলম্মোই পাবুং।

লা— তুক কৌথোকউ, নবুংথোয় করিথোরম্ম হুম্বিংসি থেংথ্রে— ময়াম অমুক্ত পুন্ন থকসি থাসি ঔরাইসি। সমাজগী পন্সি মেনব ভনব য়াদে।

মোং— ফনি পাবুং কৌথোরকে। লাকও ইবুং চা থকউসি, শিং থায়ব, থোংবান তৌবকাম্ম থর পাংবিরম্মু নচনথোয়দ।

অহা— কয়া য়াম্ম থবক ওইত্রা? ঐদি লৈবাক শৃদব, শীং চন্দব কুইবিরেদা!

মোং— অরাব থবক শৃদোব নত্তেবা। (চংশিন্নখি)

লা-- সুপীমচা, হঙ্গাম হন্নাই মতোন হুন্নব মনীংগী -কাংজৈবুংদো —লোইন—

নব— বিষ্ণু ভগবান! মতমসি মতম অমনি।

লা— চীঙ্গাবম মচাশিংসে অজ্ঞ কান্নখ্রে ননাই ঐখোন্দ। মথোয়ন য়ুম শানব হুং, উ, লৌ, পৈরা, থানব শীং, ই, চানব মহৈ মরোং, পান মাইরেন, হন্নাই চেংন্নাই পীতুন ননাই ঐথোয় য়ুম পানব ব্রাত্রিবনি। মথোয়সি শুন তৌদব য়াপোং নত্তে। মথোয়ন পূর্বাচলগী মাইকৈ মরীমক ভাকইবনি। মথোয়নবু ঐথোয়দৈ মমাই লৈখ্রবদি তম্পাক মচা মথৈ সুং চাহুন থাংব তায়।

নব— মথোয়ন য়ানবনি হরাউনবনি হায়হুনম্ম লাম্নুপচিংব হুই-নাওবু লৈতোম লেকহনবদি অচুম্ব অফব নত্তে। থেম্মগ কা হেন্ন কেথোকহল্লগ হিংচাবী তোইন চংহুন ভক্রা য়াম্ম তিংবগুম, লাই ফত্তবন চানবিনব থুন্ন য়েনবা য়েহ্‌লাং তোইন

থাহুন অপঙব তাবগুম থোকপগ্নু ইকাইনাংঙাইনি লৈবাক্তী ওইনদি ।

লা— মহুস্থ অচুম্বনি আজ্ঞা পণ্ডিত। চপ্গাব থিবসি ওস্থোক্ত লুখ্রে। মীন মুংশিবিনব মীন য়াবিনব হোৎনবসিদ কয়া য়াম্ন কদায় ফাওব ওইজব থাক্ননি ? য়াথল অসিদ অচুম্ব অফম পাম্ব মী পুম্নমক জ্ঞান মাংনবনিনে অজ্ঞা ঙবুংঙো। কনান হায়রি ভোট অম থাদবিগে নচাম্নুপী অম পীয়ু, কনান হায় চা কপ অমত্তং হাম্ন পীথকউ থাদবিগে, অতৈদি কিস্তি য়ানি কারণ —মীন য়াবিনব ঐন মীডোন্দ পীগদব মদং নত্রগ মতেংসিবু চেং মণ কয়ানো কিলোগ্রামদ শুনগত্রা ? নত্তে, পণ্ডিতনি আজ্ঞা অমুক্ত তাকপিয়নে।

নব— চেং য়াম্ন তিংবন শেংগ য়াম্ন চংপন ভাক ভোট কংওই লালুপচিংব। মথুং তিংথোক্ত্র। মীথুং তিংথে ক্রক্কনি হায়হুন থর শান মথুং তিংথোকউবদগী মৈতাল অচাকপ হাপ্লকুন পোক্নব য়াম্ন য়াওখ্রে।

লা— ভাইথো আজ্ঞা, ভোটকি য়াহু থমথিসি — পূর্ব্বাচলগী সনা তাংবম্ন হাংলকইবসি মতম কুইরে ননাই ঐ চাং তম প্রজ্ঞা অয়াম্বন ওথাক য়াবিরব মীশক অমনি। মমা মচাদনি ঐডোন্দ ভোট পীরোইদব ভুজিক। কনাগী ককা ল ইবক য়েংহুন ননাই ঐবু স্না তাংবন্দ কাহুন ফম্মসিরাও ?

নব— ভৌহৈদে তৌম্নু লালুপচিংব নত্তিক নপা চাদব থবক্ত নথুং থিংজিনগন্নু মৈন পোক্নম তোক্ননি, মৈগী চাংথুলদ ফম্বগুম হুমাং কাক্ননি, লৈবাক্ত ঈমু মাইমু তাহুন তোক্ননি। নচা মুপীন য়াদব নংন কাব য়ারোই।

লা— কনান করায়দৈ লাক্লুন ফম্মনি অহুদি পণ্ডিত ?

নব— নজা ইবেম্মন য়াব নোংপোক লৈমগী মতৈ থোরকখিনি। ঐগী ইরা নত্তে কোর্ব্বাক্ত য়াওরি।

লা— লৈমুংদগী থোরক্কদোরিব্র ? কয়া য়াম্ন রাংলি অহুদি ?

নব— থওহৌদন নোংম অন্নাংবদৈ পোপ তারক্কনি ; কুইররোই হায়রি।

লা— কনানোনে ঐগী ইমাক হংবুংডোহুবো ? মশক থওনিংলেদা সত্য। মতৌ মওংদি কমদৌনি হায়বগে পূরান্ন কোর্ব্বেক্ক।

নব— মশক মতৌ ফজৈ, য়েংবদ পুক্নাং হুই, চাং লোম্ম। মহাক্ক লাক্লগ তাংবন্দ মথন্দ চংহুন ফম্মনি। নজা ইবেম্মনা মাবু লুন তৌগনি, কুইন লংগৈদ লৈরুবব মতৈ ইবুংডোবু মৌ-নহাশিংন ময়ুম য়ৌরকপদ তরাম তরাম তৌনবগুম।

লা— ডাইখো পণ্ডিত, ঐগী ইচান্নুপীদি লৈশাবীনি, মৌ নত্তে।

নব— কোর্ব্বেক্ত ইরম্ব পূরানগী রা থাঙ্গগে হায়রবদি লান্নুপাচংব, নজা ইবেম্ম তম্পাক য়ুমদ লৈবা নোংপোক লৈমদি মতৈ ইবুংঙো অম লৈব কুইরে।

লা— ঐ থওদন ইচানুপীবু কনান থাজরম্মিব— চহি কয়া শুরে— কোর্ব্বেক্ক ফাক্লুন য়েংঈ পণ্ডিত, শোইররবদি পাঙুম তাহুন তোকচনি, কোর্ব্বেক্লুন কেফুর্ অমুব ফেংনহুন তোক্কনি। অমত্ত ডাইক্ববী ইচাগী মিংচৎপু থোঙ্গুন ডাক্ত ডাইব লৈমাইদ থাদবগীদমক।

নব— (কোর্ব্বেক ফাক্লুন য়েংলগ) : নজা ইবেম্মগী মতৈ ইবুংঙো

লৈখিবসি চহি ১৭/১৮ শুরে, ইবোঙা'ন থাজখিব নত্তে, নুপী মবুংথো হাক্তক্ত বাক্যদান তৌরম্বনি।

লা— ঐদি করম্ন থঙহৌদ্রিবনো পণ্ডিত ? অঙকপ তানিংদব য়াবু কোর্কেক পায় হায়ৰুন পংঙাং ঙা'ব শারহ্নন।

নব— নচা নুপীগীসি অহানবদ পূর্ব্বাচলগী তম্পাক মচা অমন লৌরম্মি। মঙোন্দগী নোংচুপকি পাম্নাওদোল ঙোব মৰেপ রা'ব নিংথৌ অমন মুন্দুন লৌখ— মতু চহি ৭৪/৭৫ শুরে। মরেপ রাংব অঙৌপানবসিদগী পুলৈ কুচু তাব মবুক ফব ফুংলনব চাইৰেদ লৈব অমন মুন্দুন নচা ইবেম্মবু লৌখিব চহি ১৭/১৮ শুরে, নবুংথোন য়াহ্নন পীখ্রবনি। নমাক লৈ অতৈ থিরুম্নু।

লা— য়াদি য়ারোম্নু অজ্ঞা নবদ্বীপ শর্ম্মা ঐ খুংশা মরেং মরেং চংলে মী য়ৈনিংবন— ইখুং চাব মুংহ্নম অমত্ত পায়নাংখ্রেদা! (কেংইন 'ধা)

নব— নংন ফন শাও নংহ্ননমু ঙরাং নহাল পোকখিব নুমিংতু থোকখিদে শায়ব য়ারে,ই— ঙসি নুমিৎ তারম্নু হায়হ্নন খাম্ব য়া'রোই।

ল— চহি ৭৪/৭৫ গী মমাংদ ঐগী ইচ'নুপী নোংপোক লৈমবু অঙৌপানবন লৌখি হায়ব য়াসিবু— ঐগী ইচানুপীদি চহি ২০/২১ গী শককমদ লৈরি। মমাসি সনারৈ হায়বী মীন শক ফজৈ হায়ন কল্লৰুরিবীসিবু চহি ৪৫ শুক্রাজনে পাঙত, পান্দুম ওন্দুন তোক্কদব য়া ঙাঙহ্নদ ইপু ইনাই ঐথোয় তিম্নসি হায়রবদি।

নব— ভাব তাদ্রে ইবোঙাং লালুপচিংব, নঙ্গা ইবেম্মসি চহি লিশীং কয়া শুরবী লাইরেম্বীনি, চহি ২০/২১ গী শককমদ ভান্দুনা নৈবননি। মাগী নহান মপোক্কি শাইওন্নি হাসন লৌগে লৌ। থাজনবদি তৌম্নু, মীচমগী লোন নত্তে— পূবানগী ৱানি— কোর্ব্বেক্ত ইরম্ব।

লা— থঙত্রে — ঙসি ঐবু মঙলা হায়া! ঐগী ইচাসি লাইবেম্বীন অবতার তৌরকপ ওইরেকো। অছুদি ঐ মীচম নপ্রেনে শুরু।

নব— কদায়দৈ মীচম ওইনগে নেংপোক ভাকপ লাইন ওনবনি নং।

লা— ঐবু নিংথৌ ওইহন্নিবদি কবিনীনে আজ্ঞ?

নব— মতু নঙ্গোন্দ তাকপ য়াদে শাওরক্নি।

লা— মহাদেবন সাক্ষা ঐ শাওজবেই— খুঙলদি খুঙজগে।

নব— অঙাং হাংপ, হৌদোং হাংপগী লিংজেল অম মঙ্গোন্দ নৈ. অতুগ নংন কৌরিব ইবেম্ম সনাহু মমিং কত্তে মবুক য়াংঙ নৈবাক কায়নি।

লা— (শাওরপ ৱাথল ভগাক তৌরগ): সনা. সনারৈ। মেরা থা থিব চংলব্রাও?

সনারৈ— (অর্রপ্প্রদৈ): কনা ওইরবনো? ঐবু কৌথিব য়াও-বিব্রাও?

লা— ঐগী ইংথোঙ্গেন কাওহুন খুম্মব মরোলসি ঐবু শাওদব য়ারিব্রনে গুরুজী! হুজিকমক লাও, নশা চাব চৈ অম পুরকউ। পূর্ব্বচনগী মুপীশিংসি মনা থোইগ্রেদা!

নব— শাওগংপ য়াদে, লালুপচিংব, নঙ্গা ইবেম্মগী মঙ্গল ওইনব

নবুক ইংথন লৈগদবনি, নথৌ নিংখিন পাংহুন। শাওনিংব থাংববু হিংহুন লৈব্‌কৌই— হুই হোদোং, অভাং মুখী য়া-রকপদ কা হেন্ন চোপ্প নঙ্গ'নি।

লা— (মখুবাক্ত মন্ত্র ওইন শোল্লি) : "ফিংগংকনু লালুপচিংব, নং মীচম নত্তে, লাইরেম্ম পোকপ মীথোই মীহেনব নিপানি।" (মমাইদ নাল্লি ও লক) য়াদি য়ারৌমু গুরুজী ননাই ঐ য়া অমত্ত হংজগে।

নব— হা'ইয়্‌ পূর্ব্বাচলগী চৈরাক য়াচল।

লা— ননাই ঐগী ইচানুপীবু লাইরেম্মগী শাইওন্নি হায়বসি করি প্রমানদ্দ খঙগদগে ?

নব— মহু নংন হ'ব চুম্মি লালুপচিংব, প্রমান য়াওদন মরম চাদন মী অমন হায়ব য়া মিং উইশিল্লগ থাজগদব নত্তে। মোইরাং থোইবীবু লাইরেম্মগী শাইওন্নি হায়বদি মীচমগ মান্নদন মরৌ-শিং মথৌনা লৈ, অফব অচুম্ব মশক থঙই, থঙইবহু পাংনব অন্নাব ঈচাওগী অকনব ঈরৈদ হঙ্গংন ঈরোইব ভন্মি।

লা— চীনখূব যুবরাজন থাজব নোংবান্দ লৈদৌ শরুক কবোদ লোই থাবিন্ন, নুংশি মশুং লাঙ্গী অন্না লৈবাক্ত য়াজরুগে হায়খি থোইবীন। মমৈদ য়ৌথি পামু কাদ, কাও ফাব কৈ ভম্ব থম্ব খোইদ। অহুদি আজ্ঞা ইচানুপীদ ঈমাক নিপাদ খুরৌ চন্দনব, নোংবান শাববুম্ম কৈগী খুজিন মচু শংল্লদনব নমাই ঐদি ইচান পামজবদ থৌরী লীশাং থাহুন কুরু কা-হল্লগেনেকো ?

নব— মী অতৈগীদি থঙদে, নচানুপী লাইরেম্ম শাইওনসিগীদি থাদোকউ থিংনু।

লা— ভাইখো গুরুজী, অহুক জ্ঞান তান উরগ শেল পামইব লাইররিব করিগীনো ?

নব— কোর্টেক্ত য়াওব ব্রা পাবদ শিংবোই নীংজ্রবনি নংন এবু। এদি লাইরিক্ত য়াওব ফর করব রাহু ইনব ভমদহুন মাংব-নিনে লালুপচিংব।

লা— চুমই গুরুজী, থওইব রাহু থবক্তবু পাংব ভমদ্রবদি ক'বস্থু কান্নদে। বিএ, এম, এ, পাশ তৌরব অঙ্ক হৈনব বাবুশিংহু দোকান্দ পোং লৈব মতমদ দোকান্দারগ য়াওব মান্নন পোং-কি মমল পাব ভমদবন পীবস্মু হায়ব শেলতু পনস্মগ ময়মদ লাক্লগ থোক্তুন য়েংবদ হেঞ্জিন্ন পীরম্ব থোক্লগ কোন্ন পোকদৌ শাওগংনব ভাক্রি। আঙ্, এন কৌথিবহুবু লাক্লব ত নিথ হৈথোকশ্রব্রা লাক্লুবসংশ (কোঙ্)

(সনাবৈ, তুরেঙ্গাল লাকখিন্নে ব্রাবী শাহুন)

সনা— ভা তুরেঙ্গাল নং কাওব য়াদে, ভান চাব মক্তমদ এথোয় নং তোঙুং লালুপাচংবৈ খুনাক মহুতু অমুক্তদ মুন্ন য়েংউকো।

তুরে— কারনিলা সন হংবস্মা ?

সনা— মাগী খুবাক মইহু লুপী কয়া লৈবগে থর য়েংউ— পুন্নাংাস হাচং চিংনে।

তু— কদাদগীনোদ চহু অহুক য়াম্মবনবু,— চিংনবিক্লহু সনা হংবস্মাদৈ হেনব ফন থিদনস্মু ফংদোব লৈতে।

সনা— নান খওপোং নক্তে ইবুংডো, চহু ৫০ তাল্লক্রব মান নাম শোনগে লাই নীংগোদ চায়দন নিল্ম অনৌবদ থিহুন ব্রারেম ভাংহুন পাথং মচাগদ তিন্নহুন লৈারপোংনি।

তু— ইমা ইমা ! ঐথোয়গী তাডাংসিদি য়াম্ম ডাওবি নিবোংহন্নে কাংগ্র, মুং চংবদোনা !

(থর লাম্ফিউদ লাসুপচিংব সনাবৈদ মমিং থান রোলগ)

লা— আজ্ঞা নবদ্বীপ— ঐসি ঈচিং ফংখিদ্রে ইমাল্লবদ য়ৈব চমং দ্রবম্ম অঙাংমুবাদি তপ্তাবমথৈ কুদংপ ফাংনি শাওনিংলগ।

নব— মুপী অঙাং ফুগ ফদ্রে, ফুব লোক্রবদি থর থীবপ ফুবন নিবম্নি —তৌকম্ম তুংদ য়াম্ম নীংডমদবনি কবিগুপ্ত লৈখিদব থোক্রগ। ফববম্ম ফল্রবম্ম অম লৈরিবত্তু নবাইবক ফবিবনি। নিংথিন ফজব য়াহৈন ফান তাকম্নব লাক্রৌ।

লা— লম্বীদ শক য়েংদুন লৈরনো, পরপ পরপ লাকও হায়বত্ত ননা তাত্রাও ? করনো পূর্বাচলগী মুপীন মোরোক অতেকপগ য়ারেম ডাংবগ সুক পাম্বসবো !

সনা— য়ারেম ডাংব নচ্চদয়ে ভোট খোমজরিবনে।

তূ— নমস্তে গুরুজী, নমস্তে তাডাংবু।

লা— ঐমা ! তুরেঞ্জাও নং ওইরে— ঐথোয় সনাদ লাইর মন্ত্র তম্বিরিবদে। ঐদ কনা কনা ওইরবেই নীংতুন য়ৈনীং-উরেদা।

তু— অশেংব হায়নি তাডাং, ঐদ মীনম্ব হৈরদে, ইতৈম শিজসি মবুক্নীং থর মুংশিরে।

লা— অমুক কনাদ মুংশিরে ? করিগীনি হায়বগে মিত্রা সাহেব ?

তু— নমাক নিপা মতক চাব থিগনি হায়তুন চাকডন চাতুন চংপ্রগ মমা অতোপ্পী থিব চংপত্নম ওইরাম্ম হায়রি তাডাংবু।

লা— মত্নু ফনব নংন করি লাইরা তাকইবা ?

তু— ঐদি খায়নরো হায়তুন ইন্সিল্লিব।

লা— মশান য়ারবদি নং পুজখোনে।

তু— মশান য়াদে তাশাং, ননাই ঐগু মরী শুনব নৈজে—

স— মংখায় পাবুংন ঐবু শিংনব য়োনবিরবসি আজ্ঞা ঐবু মশিং-
লরোইদ্রনে, ব্রাহ্মান অহল্লি ধর্ম্ম 'য়েংতুন অশেংব অমত্ত
হায়বিয়ু। (খর লোয়্ন ভাংনৈ)

নব— চেং তাংবসিন থাকপ রাবে সনাবু কায়খোক্লগে হায়ব
শেংলবদি ঈশ্বর সেবা ভম্বব তর্পনগী দক্ষিনান ঐ লেপশিন-
গেনে। ভাসিদি ফাগী তৌগু সনা, মাগী পাবুংসি মচীং
হৌবনিকো।

সনা— ভাসবু ঐভোন্দ চৈ থাঙ্গৎলবদি ইপামদ হেক্ত চেনখ্রদৌবনি
আজ্ঞা ইবুংভো।

নব— অহিংদ নপাম তাম্ন চৎপ লাপমল্লি হায়রবগু ঐখোয়দ হেক্ত
চংবিরকউ সনা ইবেম্মা।

লা— মত্তম অসিদ নিংথৌকাসিং ওইতুন নৈবাক মরা তপ্পব লম-
হেনব ; থক্সি থাসি নাইদব প্রজা ময়াম ভাকপসি সত্য
রাখিনিদা। হায় সনারৈ শকহেনবী, ননম রাংপী নরীল
তাওবী!

সনা— অয়ো য়ো, মাই পাবুং করি ওইরবনো?

লা— ঐ শর্কাস কয়ামুক ফজৈ? চুম্ন হাইয়ু।

সনা— হৈয়াই চারিয়া অমুনব, প্লেট কাংগ্রু অমোনবমুক ফজৈ।

লা— নং ঐবু কয়ামুক কি? লাক্লবদি য়ৈরে।

সনা— থাবক মতোঙ অঙাওবদ য়াওব মরূ খোনাওদ পনবমুক
কিজৈ।

লা— চুমই অদু ওইরবদি য়ৈরোই, নিংথমথাদ শামতুগী ওভর-
কোট অম তুবিনি।

নব— নখোয়না থংনরবদি থাম্বিগে লাকপনি, চাগ্ররবনিন ঐ
হল্লগেনে।

লা— গুরুজীবু কদায়দ লেঙ্গদব থবক লৈবিবগে ?

নব— মতৈ মনাও থংনব থিরগ থামদোকউগে তৌবনি। লৈবাকসি
থংনগল্লি, চাগ্রব হৈনদে।

লা— লৈবাক শেমগৎপগী থবক ভহাক্ত য়াওবিথো— লেংবিথিব
য়াদে। সনা ঐখোয়দ য়াবেম ভাংনতুন লৈবিব নঙা অহল
মুপী নিপা লোইন কোথোরকউ চংলু। (চংখি)

তু— আজ্ঞাইন ব্যবস্থাকারী, য়া অমত্ত হংজগে ?

নব— করিনো হাইয়ু মবীগী মতৈ?

তু— নমাই ঐখোয় বাঙ্গলা লৈবাক্তগী লাকপশিংবু পুর্বাচলগী
কুঙ্গাদ পূনব য়াহন্দবসিবু করম্ব মুংঙাইতব লৈবগে ?

নব— মুংঙাইতবগী য়া নত্তে, নখোয়বু কিতুন তৌবনি।

তু— করিগী কিবিরিব ঐখোয়বু ?

নব— নখোয়গী লাইনীং পরৈন ঐখোদৈ চেৎপ হেল্লি, নখোয়গ
ঐখোয়গ ভোৎনরবদি ঐখোয়দ মীশীং হম্বনি, নখোয়দ হেঙ্গৎ-
খিনি অতুননি।

সনা— হায় অভাংশা নখোয় লোইন খোরকউ পাবুংন কাজ
তম্বিনি, থকসি থাসি থওহম্নি হায়রি।

(বসন্ত, লশীংলৈ, অহাওব, নোংপোক লৈম পৰেং লৈ'ঙ্গৈন থোরকই সনারৈন মাংদ চংদগ— থোঙখাং খুৎহাই মান্নবদু হরাওন মুন্ন য়েংই ওহাক)

লালু— লৈপ——পো ।   (মান্নৰ লৈপখি)

নব— ময়াম্মক লিংজেল মান্নব হায়বসি কয়াদ কজখ্রবনো ! তোঙান তালু তুরেঙ্গাও নংসু য়াওরু।

(তুরেঙ্গাওন মাং ইথং থংউই)

লা— তান নাইন নখোঙ থাঙ্গদবনি— য়েং ওই, য়েং ; য়েং ওই, য়েং ; য়েং ওই, য়েং । মাঙদ—চথৎ—লু !

(থর অমুক চংলি) থংলৈপ—লৈপ! (মান্নন লৈপই)

নোংথক য়েং, ননা তাও !   (নোংথক্ক য়েংই)

লা— (নবদ্বীপকি নাক্ত লৈরগ) : আজ্ঞা নবদ্বীপ, অমময় লাথ অমময় ওইরবদি, মী লাথ তরুক লাকপ, মী লাথ তরুকি থবক পীব কয়াদ লুখ্রবনো !

নব— মানি ইবোঙাং, মী লাথ তরুকুন লিংজেল মান্নন থবক শুরবদি, চান্নন লৈমিন্নরবদি কয়াদ নুংঙাইগবনো ।

লা— লিংজেল মান্নন চান্নন নুংশিনন লৈমিন্নরবদি করিগী নংদগে কনাদ্ কিদগেনে আজ্ঞ ? মতুদি নত্তন ওসি মথোয় ময়াম সিন ইহেঙ্গালসিদ তৌরম্মিব চাইথাইরম্মিব মাং তাকহল-লাম্মব'স অন্নক্ত য়েংবিয়ু । চাক খোংনব ঈশিং অশেংব লূন য়োকইব পুখ্রী নৈথায়রিবসি তুরেঙ্গাও মিএ নংন ওইরিনি ?

তু— ঐহোন্দ তাইনম্নদ তাডাং, সনা ইবেম্মন থগৌ তানবীয়ু হায়বগী কুম্মবনি।

লা— চুপ য়হো, ঐগী সনা মশেংব পন্দুন করিগুম্ব রা অমত্ত ঙাংব য়া'রোই, খবরদার ! পুংড়তোন হেকপদ নত্তন নোংমৈস্সু পান্দনব মশা ফাওব ধু'দক্লান্নব য়োংজাওসি কনা ওইনি ঐগী ইমাক বসন্ত বাবু নং নত্তনা ?

বসন্ত— নমান্নবন য়ুমদ লাক্লবদি পুংডতোন্দু অমুনব থন্দুন থর হেক্লগ পীজো হাযত্নন ইনেমসিন তাকপিবগী তৌবনি।

লা— নমান্নব চায়বদি কনানো ?

লশী— কন ওই বদগে ঐনে মামঙাং।

লা— ইমো ইবেম্ম নংবু পুংঙতোনগী মশা তেকইব মনা কেল্লিব ময়ামসিবু চ দোবিত্রাও ?

লশীং— মদুদি নমাক্লিপান ঐবু উ কাব তম্বিবদ তেকথিব ওই-রিগত্র ?

লা— মুনস্নু মুনফাত্রিব পুংঙতোন চাবদি কক্ত নহায় ইমো ইবেম্মা।

লশীং— কদায়দগী ককপিদগে ইমান ইবুংঙো, ইয়া ফরিব ঐথোয়-দাদ শংমুন্নবন হাওব হেল্লে।

লা— চাথুমদ চায়থায়রিব ময়ামসিন করিগীনো— চাক থোংবী শান্নবৈরা থু'ল্লাকপী শান্নবগীবা ন্নপীমচা— নোংপোক লৈম।

নোং— চঙ্গ বম ইবুংন রসগুলাসিবু করি পাম্বীগী মহৈনো, পাম্বীহ্ন গৌরবদি চারা অমত্ত পীযু হায়হুন নিবড়ুদ রসগুলা থর শারগ পীজরম্বগীনি।

লা— ইবুং অহাওব চাব নংদি রসগুলাগী মহাওহু কমদোই হৈনত্রা ?

অহাও— য়াম্ন তাওবিখ্রে, পাম্বীহু ফুকগ ইপাম্ লমদ থাবিনিংই, করম তৌসির ?

লা— নমুমদ পুরদি য়াবোই, চানিংব কান্দ লাক্লগ চারে'। চায়-খায়রম্বিব ময়ামতু সনা নংন থর লোইশিন থমজিনবদি কৈদৌই ইবেম্ম' ? নংন পাল্লিব য়ুম্বানসি করি য়ুম্বাম্নো ? ফৌ খিল্লিব কোং অসিন শো হাংলগ থোও লাওন হাংছন থনম্মগ লৈকাইদ খুংলোকপী শান্নব চংলুরিববু কুমশি চাব ওক্লগদ্রাও। চাব হায়বসি চাদব য়াদবনে— চেং ফৌ মীরাইরবদি য়ুমতু মুংঙাইরকপিদ্রাও? নংন নহান পোইমুদ য়ালহনখিব ফৌ ময়ামতু লোম্ন কোংহনখিনব্রাও?

সনা— ঐবু ইপাদদ চন্দুন চহি ৫/৬ তং য়ুম্বান লোন তম্মুখিসিনা থডদ্রে।

নব— নপামদ লাপ্ন চত্তৌ শরুক তম্ব তমগে হায়রবদি মুমিদাং য়াই হেক হেক চখোরকউ ঐখোয়দ চানক্যগী অর্থশাস্ত্র তম্বিগেনে।

লা— ঙহাক্ত লাইবিখোদ লাক্কাহন, স্কুল ওইন লিংখৎকে লিং-খৎপিয়ু প্রাইভেট ওইন তম্মানবদি তম্লিদা। পূর্ব্বাচলগী মীবু থাক্কদৌ শরুক কেতকী লৈগাওমচিংব মনম কনব শিংঙেলগী জাৎসিদি ফি উপুদ হাপ্লগ শো লোন্সিন্দুন থম-জগে ঐদি।

মুম্ন তাও অভাংশ, লম হেনগনু অহল লম্মম্ন লৈবাক্কি কনব হায়ব রা ইল্লু। নরু লুকখতুন য়াখ্নগ তৌ!

(ময়ামতু মরু লুকই)

লৈবাক অসি মুঙাইন পান্নব অহল ওইরপ তৌব, মবুদ্ধি লৈব মশাদি ফরিব অম ময়ামগী মকোক ওইনব হাপ্ন তারে।

হায়রিব মীশকসি ময়াম চংহুন ভোট থাদনরগ থম্লি, অপাম পামদ নখোয়সু হায়নৌ । ঐগী মোত্তি, কঁরি হায়বগে গুরুজী, ঐ অম হায়রিব মীশক্তু ওইবদ ওথাক মতিক চায় নীংজৈ । ঐগীসিবু গুরু চোপ্প তারবা ?

নব— কঁরিগী চোপ্পদগে, মবুক্ত শেংব ইকাইবদি থঙদবগী রানি ; নত্তে লৈবাক্কি ফনবদি দোস লৈতে । শ্রীশ্রী লালুপচিংবন পুথংলকইব মীশকসি ঐসু পামজৈ, অহল মশেম্লিন শো-গৎনদব য়াদে । ময়ামসু অপাম পামদ হায়নবিরকউ ।

তুরে— মতম কুইন পূর্বাচলদ লৈজরক্লব ঐখোয়বু মপান্দ লাকপ মীত্তোপ ওইন থমবিদোব মাল্লি— ঐ অম্ পামজদে, রাদি রারৌবিন্নু — অশেংব হায়জবনি ।

সনা— মখোয় পাবুংন লৈবাক্কি খুজ্জী পায়হুন হেক ভাকথিবগ অঙম অথো ওইরবঁন হায়হুন মিৎ য়াম্বিগদব অনৌবদ পাম্বিদোব ওইরবদি ঐ অম পামজদে ।

লা— সনা, নংসু ঐবু খাজদবকো ?

সনা— রারৌবিন্নু পুন্নীংদ লৈজব অশেংবদ হায়জবনি । মখোয় পাবুং মিৎয়েং অম চুমদে ।

বসন্ত— মামঙাংন ওইবিরাঁস পামদি পাম্মি হায়ববু অহল থর ওইমনবসিন নহাগী পুকচেল থঙবিরোইরা হায়হুন থর চিংনৈ ।

লমীং— ঐসু বসন্ত বাবুগী পুকচেলসিগ মান্নসিরা থম্লি ।

অহাও— চীঙ্গাবম ঐখোয়ন পূর্বাচলগী লৈঙাক খুজ্জী অমুক্ত পায়রক্তুবনিন মখোয়দসু চান্স অমদি পীবিহুন ঐবুহুম থনবিরবদি মুংঙাইব ওইরা থল্লি ।

নোং— অহঙ্খংদ পাবুং ইলেক্সনগী কেনন্দিদেট ওইবিরুমু করি কান্নগবনোদা। কাদব থোক্লগ লৈক্রেক্ত লোংপস্থ য়াদ—

(নোং থাকপগুম মথোন স্তায় ভহাক্তং)

লা— য়েংউ, য়েংউ লৈবাক মচাশা অতিয়াদগী তারকইব লৈবুন অসে।

(ময়াম্ন গুরু মাহকৈ অমত্তদ য়েংনৈ, মথুং থিনব য়াও, "করিনো করিনো" হায়নৈ।)

লা— হরে হবে লৈবাক্কি করি থোক্লগব! মুহারাত্রা কবিনো আজ্ঞা ঐগী কোক্লরা ?

ময়াম— (মশা মাপ্নন নোমহুন): চাকডা, চাকডা, চাকডা চাকডা!

লা— থর করএ। হুজিকপে ?

ময়া— ফরে, ফরে।

নব— থডদ্রে, লৈবাকি করি থোক্লগবা!

বেঙ্গল থোংব মথোল স্তাবন্দগী লাকই: কেপ্টন রনজিৎন লানকি শেৎলি, নাকন্দ পিস্তোল য়াল্লি। মতুংদ আজমেরী য়েংপ, ট্রাউজর অসুপ্পা শেৎপ রাজকুমার দিলিপসিংহ ময়াংবম, মথুক্ত উতোংদ জানব দলিল অম পায়হুন চৌংলেম্ন লাকই। কেপ্তেন্ন ফুরিংথাওদৈ নক্সা (মেপ) পুথোক্লুন য়েংলগ লাসুপচিংবদ হংই।

কেপ্তেন— লম অসি করি মমিং কৌই অহল? সুন্নাইদ লাও।

লালু— পূর্ব্বাচল কৌই। করিগীনিনা?

কেপ্তু— চুম্মে, নখোয় চাক চাবদ য়েঙ্গাং মখেল কথা কা চায় ?

লালু— অয়াম্ব মীন চরা অমমমদ য়েঙ্গাং অমনে, অনেংপ অমসুং অডোব অমনে— অহুম অহুম চাজৈ ননাই ঐখোয় হা আজ্ঞ নবদ্বীপ ?

কেপ্তে— নখোয় মতুংসিদদি ইন্সাং মখেল ৫/৬ তগী তাদন পীজরনি। ফিরোলদি মী অমমম্ম কয়া কয়া শেংটৈ ?

লালু— ফৈজোম অনী ফুরিং ২, অম শূরিচৈদ অম শেংনবন অয়াম্বনি। সুপীস্থু শেংন ইম্নব মী অমদ ২/৩, ২/৩ থাবিম্ন।

কে— মতুংসিদদি মী অমন শেংনব লিংনব ইম্নব ফিরোল ৬/৭, ৬/৭ লৈনব তৌরনি।

দিলিপ— কদায় ঐগী মুংশিজ্জরবী সুপী নোংপোক লৈমদে ?

নোং— ঐ সিদ লৈজরে। করি তাকপিগদবা ? (কেজ্ঞন য়েংত)

দিলিপ— ঐ লাক্লগ নংন তুমিন্ন লৈরিব কবিগীনো ? ঐগী ইনাক্ক চংলকউ নোংপোক্ক থোকপী থবা।

নোং— নমস্তে রাজকুমার, চৌকীদ লেংশিনবিয়ু।

দিলিপ— (চৌকীদ ফমই) : লাও, নংস্থু ফম্মোরাওরা থর ডাংনসি চান্নবী।

(নোংপোক লৈমন পান্ন তৌই য়েংশ্বে কেন, চৌকী ১ চিংশিন্দুন মনাক্ক ফম্মুই। অতৈন ওক্ক য়েংও, অহাওবগাবন মন্নিং থান য়েংই।)

দি— (মথুক্ত পায়রিব দলিলছু ফাক্লগ য়েংহল্লি) : নং ভাব তারক্রাও ? য়ানিংদব করি লৈ হাইয়ু ?

নোং— ভাব তাজরে, ঐ কারিমক্ক বেন্না লৈওদে।

দি— [illegible] ঙ্গী [illegible] কটৈ, এ [illegible] থর য়েংব পাগ্নি। [illegible] এবু থর [illegible] পুষ্টন চৎলু। নঙ্গী পাবুং কদায়নো [illegible] থৎলহল্লু।

নোং— [illegible] রাজকুমারীবা [illegible] থডনব [illegible] হায়রিবি।

দা— ([illegible]): [illegible] ঐগী মিং [illegible] কোই। [illegible] (সনা [illegible]) ননাই [illegible]।

সনা— এখোয় [illegible] কোব্বগে?

দি— রাজকুমারী [illegible] হায়রগ এবু মীন [illegible]।

সনা— [illegible] হনব [illegible] কাদি [illegible]?

দা— [illegible] মতু। ঐ অমুক থনাথগে, কায় [illegible], কাডে মুরা মমাক [illegible] সনা মিৎয়েং তাকবদা [illegible] অমুক রাখল তৌখগে।

নো— পাবুংবোব [illegible] থোকপা [illegible]। ঐদি [illegible] হায় [illegible] অমুক কোইপু [illegible] জবুল [illegible]।

দি— [illegible] মখুৎ লোয়ৈ)

([illegible] কুমারগী মখুৎ শমতুম পুখি। [illegible] চেকশিন্ন ডাকপৈ [illegible] ময়াম্ন তডক তডক য়েংছন লৈহৌই [illegible]।)

অহাও— নিপাহন্‌ কনানো খঙ্খিব্রা পাবুং অমহিকম্বুং ইমা শিজনা?

লালু— ঐদি কদায়দৈ থওদগে ?

সনা—ঐমু থওদে, মশক মতৌ মগুণদি কৈ চপ চান।

লখী— ইতাগী ইপাগ ইমাগনা মশক থওদন পাথং অমদ ইত কৈশাবীবু পীথোকখিবদি কাম নইসিবা! ঐদি ইকুক্রম ওকপবে।

বস— মারুতাংমু ইবেমসিমু কদিক লোংলক্রমদ নাম্বকুমারনি হায়র মশক তশোংন থওরিদবাও ?

লালু— ঐমু অমুক উঁখজে, লৈনমসিমু মশাকপু থওকদি থওই হায়নি— মাদি অমুক উবা লিপদি মশাক কওখিব বুদ্ধি অচম্ব নত্তে। ঐদি চক্রবর্ত্তীনা অজ্ঞা পণ্ডিত!

নব— লাক্রম্ব পাথং, মশক [illegible] নাথক নৌঙ্খাথগী ইবেম্মশিক্ষা হান্ন থওনব, [illegible] শিংথাপব-কাম্ব কপক [illegible] ?

সনা— ঐগ [illegible] হায়ব [illegible] লিপা ওইবদি কনান [illegible], ঐগ চংমিন্নখি [illegible] মখোঙ [illegible] নোমতন মাংবা উংগ্রে, ঐগী [illegible] লাঙ্ক, কোক্তন চভু়ন মপা [illegible] মুমন [illegible]—রিইও তাইবং মপুন অকিংদৈ পাদবিনকপনি।

নব— মানি অতুনি ঐন থনিবনু, নৌথাগদী ইবেম্ব খখাল চাম-লিপাল মানবীগ ঐগ পুনশোশ কন্নরে। ঙ্গীগ লিপাক্তগ হান্ন মশক থানবগুম, [illegible] পাংজনম কেক [illegible] মইং

মরীতু মিংয়েং তিন্নখিবগুম্ব অম তৌরে। হিরম অসিদ ইবেম্ম সনাগ ঐগম্মু মিংয়েং তিন্নরে। (সনাদ য়েংই)

লা— ভাইখো পণ্ডিত, ঐগী সনাসিম্ব মুপীনি, আজ্ঞা নবদ্বীপম্ব পাখ্রা হায়দুনি, নখোয়নী মিংয়েং তিন্নরগ হেক চৎনদে। কোর্ব্বেক ফাকুন অমুক্ত য়েংবিয়্ব, লাইরিক মিংয়েং তিন্নব্রা, লৈবাক্তি অকবগ পূকচেল অমত্ত ওইব্রা য়েংসি।

নব— (কো'র্বেক ফাক্লগ): ভো, সিদ লৈরিবসিনি য়েংউ :— ভুম্পাক ভম্পা লা'ইলৈমা অভৌপা মশাপীক কংলা লম্পাক্ত ওকনি হায়তাপালা। মিংয়েং শমচিননা মোমোন নোক ভাইননা মাংমিন্নরুরগ মরাল য়াইতা হনমিন্নরক্তুন ফম্বান তোংমিন্নরনি হায়তাপালা।

লা— অতুদি আজ্ঞা মখোয়সিবু চেনখিব হায়বহুরাও?

নব— চেনখিব হায়বহুদ তারেদনা— হন্দি হল্লকখিনি।

সনা— হনবু হল্লকদব ওইরবদি কয়ানিনো চেনগে চেঙখিসম্ম মাবু, অভাং পিশক্লা।

অহা— আজ্ঞা হন্নুবগী লাইরিক হন্নুবন হায়ব ব্রা থাজবিনো। মশক থংদব পাথংন লৈশাবী হোইহুন পুথ্রবদি য়ৈহুন মুনব তাবনি হৈপা। ঐখোয়বু নিপা নৎতব্রা?

লমীং— আজ্ঞা হন্নুবদি মশক থঙদব পাথংতুগী মীচং ওইবিব্রা? শেল কয়া পীব ওইবগে মীগী মচা শেমদোকপগী।

বস— মামভাং, ময়াম হৌহুন চৎলগ ইনাও নোংপোক লৈমবু থিরুব চুমই। ঐখোয়দি ভসিগী মত ওই হা ওই তৌব আজ্ঞা নবদ্বীপকি চালাক্ত য়ানীংদে।

অহাও+লশীং— ঐখোয়স্থ য়ানীংদে, য়ানীংদে— ফাকব তায়, থিকব তায়। কৰিগী মুপী ইলাই লাইন চেনখিব য়াবিতগে।

লালু— চৎলু অওইবনি, থিৰুসি ফাকসিদ হায়, অজ্ঞা নবদ্বীপসি ঐ পুরীদ চিংনব অম লৈরে। লাইরিক ফন হৈহ্নস্থ মমিং অম চুগদেনে মা। চৎলু সনা, নং মাং থাও—মুপী চেনব হায়বসি লাগ্নি— মুপীমচা লশীংলৈ নংস্থ মাংদ চৎলু মুপা ঐখোয় তুং থঙ্গে— নখোয়দ খিস্তুং হেক শোকপদ ঐখোয়ন চোংশিল্লকগ চোংশিল্লে, চেনব থোক্লবস্থ মীন তান্নব ফংদনব। (মন্নাম চৎথি, চৈ মুং পায়তুন)

নব— (তুং থংন, তম্ন তম্ন ইল্লগ): ফন চুম লাইরিক্কি মা হায়রবস্থ মীবু থাজহনব ওমদ্রবদি কবিস্থ কান্নদে— থওদ্রে ঐগী ইমিং অম চুমদে হায়ন লালুপচিংবন হায়রিবসিবু য়েংথংব ওইরিদ্রা ওইরা, আনোক অম উপ্লগ চুম্মক্ত্রা! আনোক উপ্লবদি লালুপচিংবনদি ঐগী মিংসি নিংথিন উরোইকো।

(তুংদ চৎথি মুরুম মুরুম শোল্লগ)

সনা— অজ্ঞাস্থ মুপীমচাগী মচিন হংব য়াওবিয়ো। লৈথবিহৌরগেরাও? তুংদ লেপ্লিবদি য়াইদন মুপীন মাং থংলবদে।

নব— লাকচরি লাকচরি সনাথম্বাল! অনোক অমুক্তং উপ্লি।

(পরপ পরপ উপ্লগ চৎথি)

লালুপচিংবগী কোৎপ্ৰীতু কয়া কুইন পুন্সখিদগে অমুক্তং মুন্ন য়েংব তারি।

---

২ শুমা উপ

রাজকুমার দিলিপ্ন মাং থং, মৈতৈ ফিজোন্দ কেরবী নোংপোক লৈমন মনাদ লৈ নাচোম অম থেং লাকমিমৈ ওইন ওইনন। দিলিপ্ন পরপ পরপ চথংখিবদ লৈথজুন তন-শিন্নতন লৈহৌই তুদ।

দিলিপ— অমুক লৈথজুন লৈহৌরব্রাও পূর্বাচলগী মুমিংলৈ, চাদ-শিন্ন চথোমজ্রাও উনশিন্ন মিংলাওবী? লাক্লো হায়মি থেংখ্রে।

নোংপোক— ঐন মপা চান খুন্নক্রবাদ শাওবিগে হায়রেইদ্রাও বিলাতী পুংজত্তোম।

দি— হায়নে করিনে অচুম্ব হায়নবব্ করিগী শাওনরুদবো? শিঙেল লৈরং নপোয়গী জাং অসমক্রব্ ঊনাগী মকমদে মুন মুন নমিং লাওড্রাও কইবন ঙংব কবদ খৌনক মপোজন নক-শিন্নকপদ। মত্তৌদি চপোম শমন ওকানি চাক তাংব মতম্নি, হাপ্ন, হাপ্ননবদ চাকলুক অহুম শাইদন য়োংপী কুং কুং, ওক্লে কৌবদ হায়দবী।

নোং— চাক চাদ্রিডৈদ চফুদৈ কোংজুন চাব, য়েঙ্গাং শৌবদ ডাইরিবতু মহাও তংবদ লৈ পোকপ ইবুংঙো— অতাব অমন তাবগ নোক্লখিনি অতুম্ব রাতু গৌদোরকন্ন।

দি— চৈনগুসি রাইক রাজা ফজব ডাক্তু ড্রাংনসি হায়রগ পীরো কদায়নে নঙ্গী পীনিংজন লৈনব লৈ নাচোমদে, থোইদো শাওগংহল্লজ্ঞ হৈরাংপোহ্।

নোং— পূব্বাচলগী পাম্বেইবীদি ঈমায়দ চাব লেপ্নৈ ভাবু নত্তেয়ে, নবুকচেল তিংদন ফাব য়ারোঙয়ে ভারেং থোই ।

দি— ঐন থোয়রিব পুকং পাসবু কদায়দনো ? ঐবু অহোংব ভারান কোন্দুন শাব চঘ থোইরাও ? চহি কয় গী মমাংদ নবুধোগ হবুধোগ য়ানথিব য়ানে— নবু ঐডোন্দ থাজরম্মে মরম অহুন নং ঐগী— লম হেনগনু ঐগী ইনাক্ত লাও। ঐগ হত্তিক লৈব নিংথোমচানি হায়ব নং থজব্রাও ? করিগী লম হোন্লবনো নুগীন ?

নোং— (শাওরম্ম মনাহ লুফথন মনাক্ত চংলগ লেপ্লুই) : মত্তিক লৈজদবী লাকচরে ।

দি— কদায় লঙ্গী লৈ নাচোমহু হরাও হরাও পীযু ঐডোন্দ ।

(মথুং তিংথাকই)

নোং— (মথুওদ পীদন লেবাক্ত থাদে)—

দি— শাওরব্রা নঙ্গানে কংফাল হকাইথবী ?

নোং— শাওজব হাতকলাও পাংদবীন মমাং য়োংপাক ? ননিং তম্ম ফুত্তংপিয় য়াম্বংপিয়, হায়ৎ উইশন্দুন থাংজগে অমো কৌবদ হায়জরোহ।

দি— ভাইরে। মুঙ্গ বৈ নঙ্গীসিবু হায়ন শিংনব হৈপাল উপাল মথোংদ হৌজগে মশাদ য়েংচগে হায়নথ্রবকা লৈ লাকপ্রবে ?

নোং— লৈবুদি লৈ হায়ববু চীংদ হোব উপাল্ল ভম্পাক্তি উরী মচান কৈদোদগে ?

দি— অহুন লোইরব্রা ? চীংজাও পূম্নমক তেমথোক্লগ উপাল মথৈ শিং থাননব কংহনব তায় ।

নোং— মতুদবু নত্তে, নোংপোক অনকপদৈ, অৱাং অৱাপ্পদৈ চেঙ-লকপ পাউজু পিথৱ লৈরি — ঐগীদি য়ামখ্রবপোৎনি।

দি— কনানো করি লমদৈদেনো ? মাগী করি মতিক লৈহুন ঐগী রেসন কার্দ মুন্নোরিবনো ?

নোং— ভাংবৱ মচানি নোংপোক্লোমদৈ, নংন কৈদোব ভমদগে মতিক লৈরব নিপাহুদা ?

দি— মাগী মতিক্ক করি করি ? থৌন্দন হাইয়ু তাগে, রাজকুমার দিলিপ ঐঙোন্দে হেন্ন মমল কান হুনব ভমদোরিব নিপাহু কনানো ?

নোং— মখোয়ন হায়রিব— ঙাং বিঙাং থায়দন, অচৌ অপিক নাইদন মী পূন্নমকপু চাব রাংহল্লোই হায়রি ঐথোয় লৈবাক্ত।

দি— নোংপোক লমদ লৈব, অৱাংদ তাব লৈবাক অমত্ত মতুগী ফিভমতু তাব ভম'দ্র, মচিন্থৌব রানি। মরৈবাক ফাওববু মুংভাইহনব ভমদব মখোয়ন মুপী মপামগী লৈবাকপু করম্ন শেমগৎতোরিবনো ? য়েংউ, ঐথোয় পাবুংন ভাকইব স্বাধীন গণরাজ্যদ মী থুদিংমক মতিক চান মথৌ শূরি, মনীং মথা তম্ব ফংই, শেংপ চাব য়ুম্মান কৈবান ফত্তব অমত্ত য়াওদে। মতুগী ফিভমতু নথোয়গী লৈবাক্তসু থোকহনগ'নি— মসিনি ঐন নশুংলাঙ্গী হুনগৎপ ভ'ম্মব মমল। পামদ্রগ তোকচৌ।

নোং— শোইহনবদি য়াদেকো রাজকুমার। ইরৈবাক মচাশিংবু পরপ পরপ মুংভাইহন্নব থোৱাং কয়া নংন লৌথৎকদবনি— ভমত্রবদি—

দি— ওমন্নবদি সুংশিন্নবী শকহেনবী নংবু থাদোক্লম্মগ হিমালয় চীঙ্খোংদ কমহুন লাই নীংউংগে চদংনন। ঐগী ইতিক, ঐগী য়াশক নং লোইন তারে, ইশকম্ম মুন্ন উরে নং। হাইযু তাস নোংপোক্ত ডান্ন থোক্লিবী মণিরৈমা, নং ঐবু সুংশিন্না সুংশিদত্রা?

নোং— নপাঙ্গল কল্লি কিবিব নত্তে, নরল লৈ হায়বগী মিহোবিব লাইরবী নত্তে রাজকুমার। নত্তো য়েংগে হায়হুন লক্লবন ইবুংঙো, নঙ্গোন্দৈ হেন্নথোইদাব সুংশি খুদোন কংনিংব তাহবং পান্দ অতৈ লৈরম্মি থাজত্রে। লৈরব্ধ থোক্লবম্মু পামজরোই, নংন হেন্দোক্ল পেলহল্লনি তাইবংগী অরাম থোরাংব পুন্নমক।

(তারব লৈ নাচোমহু লোথংলগ ফুরিং কোট্টু থেংপি কেন য়েংজৈ)

দি— ওঃ, পামদি পাম্বিব রা ওইরে নারক্ত লোংপী চিনিচম্প্র। মহুম হায়ন সুপী নংন থনবিরবদ, নিপা ঐন পাম্ম গদব ইরলাসি করিনো, ইশাগী ইরলদ নত্তন ইপা। ইমাগী মক্লপ মপাঙ্গীস্থ য়াওন থগ্বাগ মানবী নমিত্তুদ থুপহন্নাংব জাংখিন। নমিংতুন থিত্তং থান য়েংব মৈরী কারিব নাংমৈ চীন্দোন্দু থবাক্তি তোংসিন যেন্নব চংব কিদবনে। ইঁনা ইপান মমল য়াওদন লেমন পীব থন্নাইসে নত্তংলাঙ্গী য়োনবদ পাম্মু দোন্নিব করিগীনো?

নোং— নোংমৈ চীঙ্গোল কৈদৌবৈ চংহন্দোরিবা, নথন্নাক্তকা মাংখিব য়াদে চম্পকোলা, মোংজুথাদ নথোঙ ফাওব লৈথোক্ত তোংখল্লোই ইমুংঙ্গে, ঐগী বেগ অক্ষুংদ হাপ্তুন পুনি। লাল ডাক্লবহু হাসপাটালদ অমাব শাহুন থৈদোক্তনি নংবুদদি।

দি— ইপ্পোক্র খোইগুম্মন ন্তুংশিংখ্রদকো নংসে ইবেম্মা কুমাকমানবী, তাইবং শেম্ব মপুগী অচবপ মহৈ নঙোন্দ য়েকুন লৈরে ওায়ব নংদি খঙ্গিবোইদকো ! (মডক পৈহুন য়েং লৈ)

নোং— মিংশেল ম দ খ তুন য় ম্ন য়েক্রক্লিবনি, ঐন শেমজব ইশকপু ঐ ক'ম্ন খঙ্গদদগে । নংন তু শিরিবহুদি ঐগী খুৎয়েকপুনে, তাইবং মপুগী অচব তীন্দু নক্তেয়ে ইবুংঙো ।

(নোকমিন্নৈ, মশক শেম্মিন্নৈ মিংশেল অম লৌথোক্লগ বেগতগী)

(উতুপ অমমম পাহুন অহাওব চাব অমদি বসন্ত সংকত পবপ পবপ— তেক উ দ চপ লেপমিন্নরগ)

বসন্ত— ঐথোয়্নন অঙ্গদ ন্নান থিকাবব মখোয়ন সোমদ ন্তুংতাইন মংলান্দ ইরোইপাম্মব, দায়বু হল্লেদা দিয়াব অহাওংচাব ।

অহাও — ন্নান থিকবগী মাতক চান কম্ন থেবিসিনে দিয়ার বসন্ত । ঐদি য়াম্ন শাওখবনি নচনগী মশক উবদৈ থব ফরসম্না ?

বস— ওচনগী ময়াইগ ঊবগ, লিপাসগী মশক মতোনগ থর চৌং লোংহুন অ ং ঐশু গা ম্ন মন ঠৈগিন দোপ থাহুন য়েব উম- পন্নে খঙ্গে ও য় লম্মাব । কমদোরগ শাওশিবা !

অহাও— ঐপু থনবিরবনি করম তৌসবা । তাইখো দিয়ার এন খঙ বং হা ,— মিৎন উত্রবদ য়াম্ম শাওনি হায়, মপা ম্নম েলগ নং উহ্নশন্দুন দম দম হেক্ত ফুরগ লোইরে । লাও চাশ করিনা চি নব ।

(টৈ ওায়ুংলগ মিং উহহুন মখোয়নীহু চংলকপ উবদ)

নোং— (মতুংদ দালম্ন লৈহল্লগ) : কম্নিনো তাচৌগ ইবুংগন

তৌরকইবসিবো ? ঐভোন্দ পান্মোয়ে চৈদ্থু থম্বিরো। (চৈথাদরগ অনীথু মাবু য়েংই) য়ৈন শুনব য়াব মীতোপ্পু অমত্তু য়াওদেনে, ঐখোয় মীচং তাক্কনে য়েক্লব থিংনব।

অহাও— কনানো অনসিদে মীতোপ নত্রবদে ?

নোং— মীতোপ নত্তে ঐনী নিপানে ইন্নং, (দিলিপ্তু) নমস্তে তৌনোও রাজকুমার মচাক্তসি ঐনি চান্নরব মরুপ অহাণ্ডবচাবনে।

দিলি— নমস্তে মরুপ চানরব।

অহাও— নমস্তে মরুপ চানব তাবব। (তম্ম)

দিলি— নমস্তে ইবাইবু, য়াবৌবিব য়াংদে, ঐদি থজ্জকত্রে।

বস— নমস্তে, হৌয়নে অতৃয় গৌনব থক্কলবদি শাওনিংব কৈনানা। তাইবংপান্দ শক হুংশিহন্দবসি হৌনব থত্তদব থক স খাংসি নাইদব হায়ত্তুন মহেল্লননে। তাইখো নখোয়নীন কবম করয় তাংনরবগে লুচাং থোংদোংবনী য়াদি ?

নোং— মদোমদ থক্লুরবাদ— খ্বাইগী মংমংত — য়ুনদগী ঐন চেম্থোরকইবসি ভাসগ থান মজানি শুরানবিনি তাংচো।

বস— য়ুমদদি অমুক্তংকন য়া পোক্রগৌরানে। চেনথিব মঙানি শুরকাওব য়া হন্দোকপ থায়রুবতুংদি মৈ গৌন শাওনরবনে।

অহ— হেক উয়ব মফমদগী য়ৈহুন অনবু থনম্মু, অমতুন থেমহুন নিংথিজন পূবিরক্কত্রা হায়হুন ঐখোয়বু থংবকপনি।

বস— য়ৈরম্মু ফুহুন পুবকত্ত কাম্বনি। নখোয়নীন চাংবব উবসিদ চিংথিব নত্তমানে হায়হুন ঐংগ য়নী তনহনে। নত্তু নখোয়বু লুহোংব তারিত্রাও ?

নো:— ৫ নী গুরুবদ হুজিকপু লোংউহুনে কৈক্লোলকনো তাচৌ, ইকাইরে। চাক কৌব হায়রবরা কয়িনো মীগী মতাদি য়ুমদ অমুক্তং পুরগ অহল লম্মন থর খুরুমহল্লিংই।

বস— হোয়দ লুহোংব হায়বসি মীগী মমাংদ লেম্লবনি, ময়াম্নু সাক্ষী ওইহনবনি। সাক্ষী ওইবব অহল লম্মন থর ৫ নী চাক-কৌবদ য়াওহয়গ লোইরে। অরেপ্পদ শেল তিংহল্লুন কায়-পোং নত্তে।

নোং— অতুদি তাচৌ ওসিসি ৫ নী চাক্লৌনব য়ুমদ থর খোয়াং তৌবিরম্মো, ঐথোয় ৎংদেম্বগী পোংচৈ থর লৈক্লরকথিগে। নিপাসি মত্তিক মরল লৈ তাব তাবিয়ু তাচৌ।

বস— ফরে অতুদি ঐথোয় হল্লগে। চাক তাংবসিদ মীদি প'য়াম য়াম পুরক্লুকো মমিং ওইনবদ— হা?

নোং— ঐথোয় অহুমথক্ত লাকনি।

অহা— হায়নথিব মমাংগী য়া কাওনবদি য়াদেকো শকহেন্নবী।

(থিক্তং লোম্ব)

নোং— ঐ করিমত কাওক্লরোই ইবুং।

দি— নমস্তে।

বস + অহাং— নমস্তে। (চৎথি)

নোং— অহাও অথুম পোংচৈ থর লৈরুনব থৈদেম চৎসি রাজ-কুমার।

দি— চৎলু চৎসি, নংন অপাম্বমথৈ লোইন লৈনি। বেক্কত চৎ-হনগিব নিপাচু হুজিক ফাওব হল্লক্তে নহায়।

নোং— লম্বীদ উন্ননি চৎলসি। ঐথোয় লৈবাক্লসিদি নিঙোল

ময়ানী ককা হায়ন্থন চ'গ্রথোকচনু চৈ চাজনিকো। (চৎথি)

দি— (চংন চংন): নঙ্গী চা-নবব মরুপ্তু বু করি মমিং হাইয়ে ?

নোং— অহাওব চাব কোয়ে।

দি— মিষ্টক অহাওব চাৰন "হায়নথিব মমাঙ্গী রা কাওনবদি য়াদেকো শকচেনবী" হায়রম্বন্থদ করি য়ানো নংন কাওজরোইদৌরিববো ?

নোং— মান ঐবু য়াম্ন নীংজৈয়ে। হয়েং ঐন অতোম্ন মী অমদ য়ুম নাইগ্রবন্থ মাবু কাওবিন্থ হায়জখিয়ে। ঐন করিগী কাওরুদগে হায়বদি মশক অদু মুম্ন থগুগ্রব মীবু করম্ন হেক কাওরুদগে হায়রনে।

দি— মঙোন্দগী ঐবুন কয়া য়াম্ন হেন্ন মুংশি ? নবুক শেংন হাইন্থ ঐ থরাই মুংঙাইগে।

নোং— য়ুমদ লোইব তেনবা মরোল থোকপগুম্ন ঐন মাবু মুংশি ইচম চম্ন।

দি— ঐবুদি করম্ন মুংশি থাজ মানবী ?

নোং— থাজ ঐগোন্দ ইভাল থোকহনবিব কোয়ৌ [illegible]কুম মুংশিজৈয়ে লাইরবীগী শেঙ্গাও।

দি— থেডক য় দার্লীং, অদুবু ওইরবদি ইরল থঙদে ইপাঙ্গল থঙদে নথুত্তে লোইন তুমজশনু। (চংমিন্নথি থুংশয়ন)

---

৩ শুবা উপে

চাক্কৌবগী চাক চাব তোক্লহুন ক্বা চানব য়াও মৈথু থক্লব য়াও, মথুং হাম্বদ গুাইব য়াও, মবুক নানব য়াও থো-রক্লগ ব্বারী শাহুন ক্ষম্লে। কনান চাক য়েঙ্গাং হ'ওবগী থাগংলি, কনান চাক য়াম্ন চামনবগী ফত্তবগী ব্বারী শাই, কনান নিঙোল মব্বাগী মশক মতো মত্তিক মগুণ থাগংলি। লালুপচিংবন মাং থারহুন নবদ্বীপ, তুরেম্বাও, অহাওবচাব, বসন্ত, লশীংলৈ, সনা, কেপ্পেন রঞ্জিং থোরকই।

লালুপ— ব্বাবৌষিব য়াদে আজ্ঞাথোয়স্থু মিত্রা সাহেবথোম্নস্থু, চাক য়েঙ্গাং য়াম্মনখ্রহুন জুগোৎ চাখিদ্রে,— লৈজহুন তোব নত্তে চাক তাংবসিদ য়াওহন্নব মী য শমনখ্রহুন মফম মরাং থঁডথিদ্রে।

তুরে— ওস্থোক্ল হাঙখ্রে তাদ লালুপচিংব, লেম্ন চাবগীদি হাওমন-খ্রপোৎলি— মপোৎ মচৈন য়াম্ন লাংইব, য়েঙ্গাং মথেলন য়াম্মিব, বামন বুন্দাবীন হৈমন্দবগী, পাংমন্দবগী চাভম থর থঙদে হায়বহুঙাই। ঙা মথেল থর থর হাওবমথৈদি মুপী অঙাং ময়াম কম্ব পারেংলোমদ চংখিবদৈ অহুম লম্মাংনখ্রে। করিনো ঐথোয়গী মাইকৈদোমদদি হঙ্গ'ম থোংব, উত্তী, লফু ইরোনব হেক্ত হৈথর্বনানে— চাব ঙম্নগহুন চাকলুক্ত পৈহুন লৈগোই।

লালু— থঙদ্রে ইবুংঙো হাঙখ্রে, চাব ঙম্নদ্রে ঙাক্ত হায়নখ্রে।

ঐথোয়বু নুংশি'বহুন খাঙ্গোনগী মী পুন্নমক নোঙ্গবিব অমত্ত য়াওদে, থাগৎপিব ঙাক্ত ঙাইগ্রে।

তু— হায়, হায়, ভাইথো। ঙসি নত্তে হয়েংনিনে। থাদগদব মতমদি ঐন তাক্লনি। ঙসিদি লম্মিৎ তুমিৎ উহনগে, বোম্ন কদায়দ থাদনি, কদোমদ লান চঙ্গনি, কবম্ব লম্বীদ চেনগনি অসনচিংব তাকপ.গ পুরকপনি নংন বোম থাদরগ হয়েং চাক চানবদ য়াওব অচৌ মশাং অভম অথৌ মথৈ থোইরেন মশা পাইবগুম চেম্ছোরক্লনি কোম থিনব— অকুৎপদ কুনগদবগী— মতুদ রাইফল প য়ব নংন কমদৌনি?

সিপাহি— হুজুর মথোয় ময়াম্ন চেম্ছোবকপদ ঐন খুৎ থত্তুন ইনাক্ত কৌশিনগনি, থর নক্রব শেংইদন পাম্লদৌব মতমদ রাইফলন পেদ্রেক পেদ্রেক কাপ্তুন লোইশিনগনি।

তু— মানু থাদবিবু যোয়হন পোকথাইরকপদ য়োংতেক্ প্লাংতেক মিস্লি মচেং ময়ামহন্ পাইথোরকপদ নঙোন্দ পাল্লোইদ্রাও ?

সি— ঐগোয়গী মীচংন প্লাদব যোম ঐখোয়দ শোকপ হৌনদে, থাক্লুবিরক্লু।

তু— বুরুসিদে, নথুংন পায়রিব নোংমৈহু মীন মূলগ নঙোন্দ কাপলকপদ নং শিরোইদ্রাও ? থুংলাইনবু মপুনি মীচংনি হায়ব মশক থগুদ্রাও ? নোংমৈ মরুনবু পাল্লবদি হেক্ত শিব য়াম্লিবনি, পান্দনব পোক্তিসন লৌহুন নৈথদবনে শিবিদব মীয়ুথাং।

সি— ভাব তাজরে, বোম পোকথায়রমদাইদ কুন্দুন কোম্পুত্ত লৈব, থুংলাই পায়দব মী লাক্লগ চোংথোক্লুন কাপ্প, থুংলাই পায়ব লাক্লগ লাম্বা চারোইদব ওইরবদি চেল্লগ লোইরে তোলোব কুইন চানব।

তু— মহু ভাব ভাগদবনি, লান্দ নরিংজেল পংক ফগ্র, নথরাই মাংজনি। নংনে ওমগদব ওইরংদি কাপ্লগনি খিন্নগনি, নফম চাওনব শিংহৌদ্রগ, শিথিব থোক্লগ মুশী অভাংদ মনা পীরকনি।

ভূটি— হন্দকি লালহৌসিন মাই পাকপ থোক্লবদি কর্ণেল সাহেব ঐবু মন্ত্রী অমত্তদি হাপ্পিয়ু নৈবাক কোইন চংপ য়ানব, ইংরবাকসিংদদি মুশী অমত্তন ঐঙোন্দ লৈগে হায়দ্রে।

তু— ল্লংন মীরৈবাক্ত কোইন চংনিংইববু কংরগীনো— তশেংব মুশী থিক্লুনদ্রা ?

ভূ— মীরৈবাক্ত চংলগ ওইদর অমুক্ত পেন্ন ড্রাংক্লগে ইরৈবাক্তদি

ইচিন্থৌ হায়ব থঙহন কনানস্থু থাজবিদে, সুপী অমত্তন ঐবু ইজ্বং লৈ হায়বিত্রে।

তু— নংন লংকৈদ ওইদব ডা ঙুগে হায়রবদি ঐখোয়গী লৈবাকপু থাগৎলু, য়েক্লববু থীন থাদরম্ । ঐখোয়ন হন্দক লৌরিব পূর্ব্বাচল হায়ব লৈবাকসি হাম্নদি চাদ থর্ক্তবন মী পূম্নমক মডোদ হৌব মতুংতু কাপ কাপ শাংলম্মে, ঐখোয়ন ডাকপ হৌগৎলকপদগী মবুক ফাওব জুইত্রিমুক কংলবনি, জ্ঞান ভার-বর্নি চাওথৎলবনি হায়গদবনি। ওইদবসিদি ভোইন ডাংলগ ওইনম্মক্তুন অচুম্ব শুল্লকপনে থঙভ্ ।

ভূ— তুবু কবি লৈব য়ানো, রিক্সো খোবমুক য়াকদব নত্তে হায়ব। থংডোইদব মক্ষদ ওইদব ডাংলুবদি মুংডাইথ্রপোৎনিনা— নিংথৌ মচা শাক্লগে ।

তু— ভাবন দশাল শাবদন কাম্নদে, নথুং য়াওগদবনি চেক মথং মথং লোনথৎপ। লাও ইতুং ইল্লকউ লাঙ্গাও চংসি, নমিৎ শিংউ। হবেং উৎসবতা মোম্ন পকৌড়া ওইন য়েনগদৌবনি।

(অমস্বদ থনক তৌহন চংথি, মথোয় মশেল থেংনবদ থডনৈ, লাওনৈ "হ কনানে ! নংলা শিক্রুথাক" ।')

---

১০ শুবা উৎপ

ঙুংখিল পোবে'প্পা নোংপোক লৈম অমদি মমাসি সনারৈ থুম্মোক নত্রগ কোম্প'ক পূহুন উংসবকি পোংচৈ লৈব থৈদেন্দ কাবি, য়াবী শারহুন।

সনারৈ— চেং চাক স্মক তাংখ্রব মতমদ ঙসীমচা উংসব চাওন কংপ মখুং লোন্নহুন ভক্তিগী পিদ্বেও নাপঙ্গ তৌত্নন মী থরদ মবুক কায়নব পীগ্রব মীয় স্থুন মণ্ডল কুং কুং য়োংহন্দুন থম্ব ধর্ম্ম নত্তে ঙসীমচা।

নোংপোক— মহুগী উংসবতু নত্তে ইমাংসি দ্দংম্ন থোং থাক্লুন মাং-হনগদব নত্তে; মাইক পান্দুন পকোড় হাঙ্গয়ো, ও ক্রা অতাওব য়েন্নো' হায়হুন লাওবা চ নব চাক্তহুন্ন নত্তে। হন্দক্কিসিদি লৈবাক্ক মবুকচেলদ ন রব মীশিংবু লাইয়েংনব হিদাক ওইন তৌব চাক্তানি। ম মং ওইনব ঙা থব মোসলা থর লৈরগ হিঙ্গোল লন্দ্বাদে হৌব পাংথোক, লখাল, হোংড়, গম্পকনী, সহুক মনা, থাংজিং মকুনচংবগ পোংগদৌবন অন্নাগ্নবনি।

সনা— নঃথায়গীসি অহুম হায়ন চংনব তৌব তারব্রাও ? ইয়া হুপাহদ নংন হায়ব ওমদ্রগ ঐ অমুক্ত থেমহুন য়েংসিরা ?

নো'— ময়ুং লৈবাক মচাহুদ নংন থেমত্নন কান্নগোং নত্তে, মখং জেল থাব জাংদনি। তৌরগে হায়ন নিংখ্রবদি মবুকচেল চপ হেক্ক য়ুংব জাংদনি। ঐথোয়গী লৈবাক মচানম্নু মবুক্কি

কয়া ফংখিদ্রে, ওইতবন পাম্ন'রব তৌবিমলন খণ্ডনাত্রব করিনে । মতিক চাব ভাংনি হন্দকি উৎসবসি পীজবদ থাম্মুব কান্নদে— ইরৈবাক্কি মীচং চংই হায়খিনি ।

সনা— মান য়াম্ন শাওরিব মীতাসি কনা কনাবুনো— ইমাদ তুক হায়য়ু তাগে ?

নো'— লানগী মতম্মি, চানব চিঙ্গাক তাংলে, ঐথোয় লৈবাক্কি— চেং লগোনব ফো পৈব মহাজন দোকান্দারশিংন মী চায় ; লানগী খুৎলাই লৈনব সনা পুবোরকউ হায়বদি য়াংদে, লুহোং খোংদাংনব, কুম্ম ফি হোংব, জলকেলীদদি জুপী জুপীগী মউঙ্গু সনান থোঙ্জিল্লগ থোকখল্লি, লাম্মীদ মতেং পীনিংদে অচংপোং তাবেন খুৎলাই ওইদুনা মীচম লাইরবশিংবু ওং নৈবগী ভয়ৈখি নৈত্রে। শিতমাসদ নয়া নিপাসি মথল্লাই গুংদ ইকদন ঐবু থাযনলীংলবনি ইমাসি। মপান অসোমদৈ চেপকইন, সোমদ মাগী মীচংনা হাযদুনা লৈরিবশিংন মশোং লৈহুন চেন্নরি— থোইদোকদ শাওগংলবনা মহাক্তি।

সনা— মহাক চমই শাওবদ মতিক চাব, লোৱমদায় চারমদায়দন য়ৌ য়ৌ মকুপ্নি মপাংনি হায়তুন চেংথোরকপ, মীন অন্নাব তারব লুবব চিন্নব মতমদন মশক ফাওব উংলদব— থিরুবদ লৈন লৈন লৈতে হায়ব— মস্তুক চোম্প লৈবাক মচাশিংদি লাক্লবদ মতিক চায় । নপোয়নীগী ব্রাবেণ্ডু ঐম্মু য়ারে, হোংডু পীজদোবনি, য়োৎপী, জুংহুম য়েঙ্গাংদ থাক্লগ পীজদোবনি ।

(লালুপচিংব মমং জুংঙাইতন থোরকই জুংথিল তুম্বু-বদগী কাওৈভবুংদ ফম্মুগে হায়দুনা নিথম থাগী ফিজোন্দ)

লালুপ— নিংথমথাদ ভাবেন চাদ্গ কোক্ক উরুমদ লোংতুন যুম-জাওগী মাঙোন্দ তুমসিদি সত্তা সুংডাইখ্রে। শিব ভাইব হারব ঐখোয়না মতম লেনবদ সুংডাইবাস মচুন মবোইবে খল্লম্মবনি। অতুবু মত সুংডাইতনা মিকপ থোকপসিদ কাং-লৈজেবুংদ চংলগ লৈপুং কমকমদ তমথোক্লিংলেদে। পেনব নাইদে অহিংব মী শিদ্রিমথৈদি।

হায়, নমা নচাদ করায়দ চংলিবনো নথোওন? রিক্সোদ তোংবত্রু নত্রা! বস ও চবগ কাখৎপত্রু নভা পুম্বা-চনগী মুগীন নথোওন দৈদেন কাবদি ইদ্রং মাংজ্রাও?

সনা— কবি কাম্বব লগীদ মুগী পুমক চুন্দুন ভাংলিবনো। ভরংদ থোরকপ রিক্সো, বস পম্ম মগী চইংবদি ঐনু লালুপচিংবে ইমুংদ পংতুন লৈখিদ্র ও!

লা— করমদি তৌনিইবেস্মা, ইমা ইপান নিংথো ওইন পোকপি-রমদবন নংবু ঐন মথাবাগী লইচনব ভমজত্রে— মচুগী মলোমতু চুজিক ফাওব শমফাখীদৌন শমজীদ থেং-পিরিত্রাও?

সনা— পুম্ব চনগী মুগীনু অনো অনোব কম পাম্মবগে? ১০ গী মমুংদ নহা ১/২ দনে রিক্সো বস মত্রবদি খৈদেন কাও য়াদব।

লা— অনোব পাম্ব ১/২ তুদ নথোয়বু য়াওত্রবদি কৈনে। ভাইথো নমা নচা খুৎলিংতুন চংলিবতুনা কনাগী দোকান মমাংদ ব সোক শকউদোরিবনো চুজিকপো?

সনা— দোকাম্ম নত্তে ঙাংয়োনকমদনি। লৈবাক্কি অডম অথৌ ময়াম নমাক্ক চাক্কোনি হায়বিবত্থু হুঞ্জিক ফাওব তাবিদ্রিবাগু?

লালু— নত্তে মুসীমচা নথোইহুবু চানন কৌদোরিব্রানে? মীনগম্ম তৌবিমল খুড়লক্ত্রবস্থু লম্মন চেশিংলবনি হায়হুন বিশ্বাস ঘাটক তৌব হৌনদে। য়েক্তাং অহাওবনি হায়ব থাজং-হল্লগ হেংউবু লেংহনব শবেং থোংবনি হায়হুন চখোম চাওহ্প হুকহন্নগ মুংত্রেংন ময়া তেকহনব, শিংজুদ য়াওব আধা উফিগী য়োংপীন য়ারক মেনশিনহনব ধম্ম নাত্তে মুসীমচা তৌহৈদে।

নে°— পাবুং হন্দক্কি ব্রাকমসিমদি নমাক্ক পাস্থ তৌজবদ থিংবিরম্মু মথল্লাই চাক্কুন তৌজরবনি— থোক্লব লংক্কনি— মকম তোক্ক-বস্থু তেংকচবগে হায়রে মহাক।

লা— বিষ্ণু বিষ্ণু। কয়াদ লুখ্রব ব্রানোদে! মচন মড কক্তুবনে করম্মো পৃব্বাচলদ হন্দক থোক্লদৌরিব দশ্যাসিদে। ঐখোয়গী লৈবাক্কি মীশিংন খুল্লং লম্মন খুডদবনে, মন্নুড লেল্লগ হন্ন য়েংশনদবসি কয়াদি য়ামত্রে, মশ মশাগী কান্নুনবস্থু য়েংউ মীন, মম মচি লৈবাক্কিস্থু মান মান ঙব থমদি লেংশিনদে! মতুগী খল্লুবদি— খামরে হং নখোয়ন থোকপ তৌকবো।

সনা— অহুদ ঐবে য় থেদেন্দ চংচক্কখিগে। (মমা মচা চংখ্রে)

লা— পূর্বাচলগী আইন অম ওইন থামগেদি হায়বান, ঐন ইনিক্লু-রিবসিদি চুম্মব্র লালুপচিংবা? নংবু অঙাংলা? ফত্তুহুন্দ পোক্লবদি ঐস্থু য়াংংবাইদ্র ও? নংন লৈবাক্কি হায়কোরত্ত

ওইরিবসিবু মতিক চারিব্রা ও ? চাক্লোবদ য়েম্মোনব পে’ং হাপ্লম্মে হাযবগী কেশ থাঙ্গৎলক্লব’দ নংবু নুপীনে, নচা’নে নম’কে ফাদোক পীব তা’রকওইদ্রাও ? ঐবু ইফমসি ক’থোক-তৌরসিন্না ? সন লোইহদ্রিদৈদ হোদোং ঙাংপ তারদ্রা ঐ’বো ? মফম চাওব তাইবং মীন মুং’ভা’ইরিবসিবু কদায়দনো —ঈশপুং ফমদুন ল্লাবেম তোংব শং’লিদ্রা ঐনো ! কান্নদে যুনদ হন্দুন বিচার তৌজদব য়দে চ’ক্ল ফম্লগ।

(ময়ুনদ হনথি)



কয়া ফংখিদ্রে, ওইডবন পাম্নরিব তৌবিমগনা খঙনদ্রেব করিনো। মতিক চাব ঙাংনি হন্দক্কি উৎসবসি পীজবদ থাম্মুব কান্নদে— ইরৈবাক্কি মীচং চংই হায়খিনি।

সনা— মান য়াম্ন শাওরিব মীত্তাসি কনা কনাবুনো— ইমাদ তুক হায়য়ু তাগে ?

নোং— লানগী মখল্নি, চানপ চিঙ্গাক তাংলে, ঐথোয় লৈবাক্কি— চেং লংলোনবা ফো ইপব মহাজন দোকান্দারশিংনা মী চায়; লানগী খুৎলাই লৈনব সনা পুখোনকউ হায়বদি য়াদে, লুংগোং খোংদোংনব, কুইম্ন ফি চেংব, জলকেলৌদদি কুপী কুপীগী মচুক সনান খোমজিল্লগ থোকহল্লি, লাম্মীদ মতেং পীনিংদে অচাংপাং তাংবন খুৎলাই ওইদুনা মীচম লাইরবশিংবু ওৎ নেবগী ওইথে কৈরেত্রে ফিভমসিদ নয়া নিপাসি মথন্নাই ন্নংংইরবন ঐবু থাযনগী লবনি ইমাসি। মপান অসোমদৈ চিংকইন, সেংমদ মাগী মীচাংন হায়দুনা চৈনরিবশিংনা মশোং পিলদুনা চেন্নরি— থোইংপদ শাংগাংনবনি মহাক্কি।

সনা— মড়্রাদ চুমই শাওবদ মতিক চাব লৌবমদায় চারমদায়দন যো য়ো মকুপি মপাংনি হায়দুনা চোংথোবকপ, মীন অন্নাব তারব নুবব চিন্নব মতমদন মশক ফাওব উংলদব— থিকবদ লৈন লৈন লৈতে হায়ব— মস্তুক চোপ্প লৈবাক মচাশিংদি লাক্লবদ মতিক চায়। নংথোয়গী রারেগ্ত্রু ঐমু য়ারে, হোংড় পীজদোবনি, য়োংগী, ন্নংদুম য়েঙ্গাংদ থাক্লগ পীজদোবনি।

(লানুপচিংব মমং ন্নুংডাইতন থোরকই ন্নুংথিল তুম্মু- বদগী কাইজবাদ ফম্মুগে হায়দুন নিথম থাগী ফিজোন্দ)

লালুপ— নিংথমথাদ ভারেন চাবগ কোক্ক উক্লমদ লোৎতুন য়ুম-লাওগী মাঙ্গোন্দ ভূমসিদি সাভা মুংহাইখ্রে। শিব ভাইব য়ায়ব ঐখোয়ন মতম লেনবদ মুংহাইবাসি মতুন মবোইরে থল্লম্মবনি। অতুবু মও মুংহাইচন মিকপ থোকপসিদ কাং-জৈবুংদ চংলগ নৈপুং ফমফমদ তমথোক্লিংলেদো। পেনব নাইদে অহিংব মী শিত্রিমথৈদি।

হায়, নমা নচাদি কদায়দ চংলিবনো নখোইন? রিক্সোদ তোংবসু নহা! বস ভাইবগ কাথংপসু নওা পূর্ব-চনগী মুসীন নখোভন থৈদেন কাবদি ইজং মাংখ্রাও?

সনা— করি কাম্নব লগীদ মুগী পূময়ক জুন্দুন ভাংলিংনো। অরাংদ থোরকপ রিক্সো, বস পাম্ব চনী ওইবএদি ঐবু লাম্পুপচিংবৈ হমুংদ পংতুন নৈাথদ্রাও?

লা— করমদি তৌনি হবেম্মা, ঈমা ইপান নিংথৌ ওইন পোক্‌প-রমদবন নংবু ঐন মহারাণী ওইহনব ভয়জদ্রে— মতুমী মলেমতু ভজিক ফাওব শমফাবীদৌন শমজীদ থেং-গিরিদ্রাও?

সনা— পূর্ব চনগী মুসীসু থনো অনৌব কয়া পান্নবগে? ১০ গী মসুংদ নহা ১/২ দনে বিক্সো বস মত্রবদি থৈদেন কাও য়াদব।

লা— অনৌব পাম্ব ১/২ তুদ নখোয়বু য়াওদ্রবদি কৈনে। ভাইথো নমা নচা থুৎলিংতুন চংলিবতুনা কনাগী দোকান মমাংদ বাসেক শকউদোরিবনো হুজিকপো?

সনা— দোকান্দ নত্তে ভায়োনফমদনি। লৈবাক্কি অভম অথৌ মমাম নমাক্ক চাক্কৌনি হায়রবত্থু হুজিক ফাওব তাবিদ্রিবাও?

লালু— নত্তে মুপীমচা নথোম্বতনু চানন কৌদোরিব্রনে? মীন কন তৌবিমল খড়লক্কবস্থু লম্মন চুশিংলবনি হায়তুন বিশ্বাস ঘটক তৌব হৌনদে। য়োম্বাং অহাওবনি হায়ব থাড়ং-কল্লগ হোংউবু লেংহনব, শরেং থোংবনি হায়তুন চথোম চাওরপ ভুকহল্লগ মুংজ্রেংন ময়া তেকচনব, শিংজুদ মাওব অাধা ইঙ্কিনী য়োৎপান মারক মেনশিনহনব ধর্ম নত্তে মুপী মচা তৌহৈদে।

নোং— পাবুং হন্দাক্কি ব্রাফমসিনদি নমাক্ক পাম্ব তৌজ্রবদ থিংবিরম্থু মথল্লাই চাক্কুন তৌজরবনি— থোক্কব লাক্কনি— মক্কম তোক্ক-বস্থু তেকচরগে হায়রে মহাক।

লা— বিষ্ণু বিষ্ণু। কল্লাদ লুখ্রব ব্রানোদো! মতম মত্ত কত্তবনে করম্মো পূর্বাচলদ হন্দক পোক্লদৌরিব দশাসিদে। ঐথোয়গী লৈবাক্ক মীশিংন খুল্লং লম্মন খড়দবনে, মঙ্গুড লেল্লগ হল্ল য়েংশনদবসি কল্লাদি যামখ্রে, মশা মশাগী কান্নবস্থু য়েংউ মীওন, মখাশগী লৈবাক্কিস্থু মান মান তম্ব থরদি লেংনখিদলা! মতুঙী থল্লুবর্দি— খাংখরে ই নবোমন থোকপা তৌক্করো।

সনা— অদুদি ঐথোয় থৈদেন্দ চংচক্কথিগে। (মমা মচা চংখ্রে)

লা— পূর্বাচলগী আইন অম ওইন থামগেদি হায়দন, ঐন ইন্সিল্লু-রিবসিদি চুম্মিব্রা লানুপাচিংবা? নংবু অভাংলা? ফত্তনুংদ থোক্লবদি ঐস্থু য়াওরাইদ্রাও? নংন লৈবাক্কি হায়কোরত্ত

ওইহৌবিবসিবু মতিক চারিত্রা'ও ? চাক্লৌবদ যেম্মৌনব পো'ং হাপ্পম্মে হায়বগী কেশ থাঙৎলক্রুব'দি নংবু মুপীনে, নচা'নে নমা'ক্রে ফাদোক পীব তা'রকওইদ্রা'ও ? ঐবু ইকমসি কা'থোক-হৌরম্সিরা ? সন লোইক্লিডৈদ তৌদোং হাংপ তা'রক্রা ঐবো ? মফম চাঙব তাইবং মীন মুংঙাইবিবসিবু কদায়দা'না —ইম্পুং ফমজুন য়াবেম ঙাংব শা'লিত্রা ঐদে' ! কাম্লদে যুমদ হন্দুন বিচাব তৌরুদত্র য়া'দে চ রু ফম্নগ।

(এম্বুমদ হনথি)



১১ শুবা উপে

দিলিপ অমসুং অহাওব য়ারী শাহুন থোরকই, দিলিপনা শাওন উই, অহাওবন থৌশাদে, ইথিহুম থিগংলি।

দিলিপ— হন্দক মরক নংথোয় রোমদগী তারিব পাও অসি চুম্মিব্রা ?

অহাওব— ঐথোয় রোমগী থংনবগী য়ারাও ?

দি— মানিনে, মথোয়না করিগীনো তোতাগ্র তানিংইবা ? মীরৈবাক মচা সমুদ্র য়াংমদগী লাকপশিংন ইনসিল্লগ ঐথোয় সুক কুইনা তিগ্ররকপশিংগা থংনমিংইববো ?

অ— মথোয় মনীং মথা তম্ন নৈরগ মন্ত্রী ওইনিংব, নিংথৌ ওইনীংব য়াওরে, পূন নৈরবদি মীন কন্নিসু ওইন উবাদব মাগী মাগী সুপীগী মমাংদ পংচাওদ চাওব পাম্ব মী থরন লাল হৌবনে।

দি— হৃজিক ঐগী ইপাম ডাকইব নৈবাক য়েক্লবন লান্দারকুন য়াম্ন য়ানরে। পূর্ব্বাচলগী মীশিংন মতেং পীব তারি লাম্না অমসুং চানব। লুরব মতমসিদ মথোয়্নন লাল হৌরকপসিদি ঐ য়াম্ন শাওনিংগ্রে। নথোয়না করিগী থাবজিন্দবগে ?

অ— ঐদি লাল হৌগল্লু, মীদ শিহুব তোকনি, সুপী অতাং য়াম্ন য়াগনি হায়রিবনে। মথোয়্নন য়াজদবগী ময়ুম থাদোকুন কোইরোং লোংলে কয়া য়ারে, মথোয়্নদৌন লম হেন্দবগী

ঐখোয়দি কয়া মুংঙাইরে ঙমোক পীজ পীজহুন থেম্বিরে, অপাম্ব অপাম্ব পীবিরে।

দি— মখোয় থরন লম হেন্দুন লাল হৌরে, লোংতুম লৈরগ নোংমৈ কাপ্পে প্রস্বাদ ওংলে। মখোয়না লমহেনবগী মহৈন নখোয়না করিমত্ত রাদন ফমতুম চারে। লমহেনব আইন শিংনব কাংবুহুবু ফাহুন দণ্ডি পীব নখোয়গীসু নথৌ নত্রা ?

অ— ঐখোয় মী খুদিঙ্গী মথৌনিন কনাগীসু মথৌ ওইদনা অসুম লৈনরিবসিনি। (নোকফেৎ তৌই)

দি— নখোয়বু লোম্ন লোম্ন লৈসুংদ চংখ্রব লালহৌবশিংহুগী মতেং পীদ্রাও ? (শাওরপ)

অ— এঃ কদায় পীগবনো? কিনান ফায়বনো— ওইদব য়ানি।

দি— মিষ্টর অহাওব! মতম্ন ফত্রবনিন পুকচেল শেংব কৈ। ঐখোয়দ অম ঙাং মখোয়দ অম ঙাং— অকা অকুম চাবদি ফত্তে— ঐদি হায়রিবসিনি— মবুকচেল শেংদব মীনি হায়ব হেক থঙবগ মী অহু জেলদ পীগনি।

অ— পীগদবনি, সরকারগী তোলোব চারগ য়েক্রবগী মতেং পীব আইন কায়ব থবক্নি। নখোয়গী ইবেম্মা লৈতত্রা? চিঠি ইচননুপীন পীরকপনি থর পীবিগেরা?

দি— কদায় পীরম্মু য়ানি।

অ— ঐ চংপিখ্রগে— থৈদেন্দপোং থর লৈগদব লৈ।

দি— নং হয়েং চাক চানব লাকওইদ্রাও? বাত্তোন কংলব নত্রা?

অ— করিগী লাকওই, ঐদি হয়েং য়েঙ্খাং অহাওবদ চাব পাম্ব

মীনিবা—। দক্ষিনাম্ম য়ায়্ পীথি হায়ন তায়। ঐগী দক্ষি-
নাদি হন্দক্তি তমদ শাংপী কজবা লৈরাং অচুম পীবিয়ুকো।

দি— চাক শোইদন চারো, অপায় তমগী লৈরাংস্থ মশক খঙ্করো।

অ— থেঙক য়ু সার, মত্তদ শোইবিগম্ব। ঐ চংপিরে। (চংখি)

দি— মসিস্থ মচিন্দ অম ভাংব মবুক্ত অম থম্ব লুখ্রব নিপানি। ঐ-
খোয়গ উম্বব মতমদ ঐখোয়গী মীচং, লৈমুংদ লোংপ লাল-
হোবশিং উম্বরগ মখোয়গ অমত্ত ওইন তিম্বগ লৈবাক্তী
মাংনব তাক্লব ঙাংনি। মখোয়সিবু লৈবাক্ত তিম্বগদবসি
কয়াদ লুখ্রবনো! অঙ্ক মযেক ভাক্ত ইরিবাসি করি চিঠিনো!

(কর্ণেল আয়ুব লাক্লগ শলাম তৌরৈ।

দি— (তুরেঙ্গাও): নং উনব য়ায় মুংভাইরে কর্ণেল সাহেব।

তু— করিগুম্ব তাকপিগদব— এস সার।

দি— লাম্মীশিংগী মরক্ত মনীং থুংদব খরন লাল হোহোদোরে হায়ন
তারিবসি অচুম্বা?

তু— নো সার, কনাগীস্থ মতিক লৈতে, থাজবিকম্ব। কর্ণেল আয়ুবন
লাম্মীগী মকোক ওইন লৈরিভেদ— লাল তৌবক্তদব লাম্মী
মরু ফাওব ছুল্দ্রে। নীংভাইদন লৈবিয়ু রাজা সাহেব।

দি— চেকশিম্বু কর্ণেল, জেনেরেল রঞ্জিৎন লাল চংখ্রিভেদ লৈবাক
সিদ লাম্মীশিংন নিভাই তৌরক্লবদি— লম হেম্লবদি নঙীস্থ
ঐগীস্থ ইমাই থীগনি। মরম অতুন লাম্মীবু মতিক মতিক
চান রারকউ।

কর্ণেল— ঐবু থাজবিম্বু রাজা সাহেব, পূর্ব্বাচলগী অচম অথোব
মবুক শেংদব অতৈগুম ঐবুদি খনবিম্বু। ঐন থরাই য়াওন

লন্মীগী মকোক ওইহন পুন্নিঙৈশিদ কনানসু লাল হৌরকপগী মতিক লৈতে। করিমত চিন্তা তৌদন ফুংতাইন পোথাবিয়ু।

দি— মং হয়েং ফুংদাং চাক চাবগী বার্ত্তোম কংগ্রিবা?

কর্ণে— ফংজরে, থবক হেক লোইবগ লাকচনি। হুজিক্তি হগ্র-রগে, মল্লীম রেজিমেণ্টক নেপালী রেজিমেণ্টক ফুটবোল শান্নব অযুক্ত য়েংজরুথিগে— মতা চাত্রবদি থংনব য়াই— ঐন থামদোক্ত্রবদি ওস্মো'ই।

দি— জাং বিজাং থায়গন্থু, মীচং মীথাই মাইগন্থ কর্ণেল, অরেম্বদ লান্মী মশেল মলোম লৈনহনগন্থকো।

কর্ণে— এস, সার, ঐ .লাইন থংলক্ত্রে।

(সালাম তৌরম্মগ এবাউট টর্ন্দ লৈহন চংখি।)

দি— থবকসু থঙদব, মবুক ফত্তব, খু'ইদগী থাজব য়াদব নিপাদি মসিনি। মাবু ঐন লান্মীগী মকোক ওইহন্দুন কুইন থম্ব চুমদে। মথক্ত লৈনব ব্রিগেদর অম থীন্দন কৌব তায়। লৈবাক পুন্নিব মাইকৈ খুদিংন মতিক চাদব ওাক্ত ওইরক্রবদ কনান লৈবাক্তুবু চাওথংনব শেগ্ন ওমগদগে? লৈবাক্কি ন্না থহদে, মরম্মাই ফুংডাইরগ লো'ইরে হায়ব ওাক্ত ডাইরবদ লৈবাক্তুন লৈবাক ওইথিত্রাও। মথোয়বু থাজব, মথোয়দ অরুব থবক শিন্নব, মরম্মাই ডাকচব তম্বিব, সন ইরোইদ রাশ য়াওদন শেনব ঐগী ইরাদি লৈত্র'!

(রাথল তৌহন চংখি)

১২ শুনা উংেপ

সুংদাং পুং ৯ তারে, লালুপচিংবন ময়াম্বু থুক্রমহন চাক তাকই।

লালুপ— চাক লোইরে, ময়াম লেংশিনবিব য়ারনি, ঐ সুন্নাইদ সুম থুক্রমজরে। অপাম অপাম্ব য়েঙ্গংদ থন্দুন হাবিয়ু মথেল য়াম্বনি। হায়দে হায়নি মুম্ম য়েংলগ হৈনদব জাত্তি হাবিরুম্ম। সুংদাংনিনা মুম্ম য়েংলগ হাবিয়ু।

(নবদ্বীপ, লশীংলৈ, বসন্তনচিংব ঈশিং গ্রাস অমমম পায়দুন চংলকই।) চাকশংদ লেংশিনবিয়ু, লোইনমক চনগ'ন। হাওরম্ব হাংত্রেবম্ব হাওই হাওই হাইহুন হাবিয়ু। হেক ওক্তুবমথৈ হাপংগনি।

নবদ্বীপ— নাত্তে, অমুক কোলহৌহুন কৈদৌদগে লালুপচিংব, চাকলুক অরেম্বদ লেমদনব কংমিম্নক্রসে লেংলকও। (চংখি) মথেন্দি য়াম্মমনিদকো কোম্নুংনিনা।

লশীং— ঐদি দক্ষিণা য়াম্মগ লোইরে।

লালু— কদায়দগী আজ্ঞা ঐন য়ুম্বু হায়বহু থোকই, ময়াম্ন পেম্নব হাবিম্নগ অরেম্বহু ঐন থুঞ্জনি। ভসিগী উৎসবসিদি ভম্বমথৈ হাবিয়ু, ঐগী শরুক থাকপিরমত্রব ফাওব করিমন্ত বেরা লৈজদে লোইন হাবিথো। (ময়াম চংখ্রগ) ঐবু কদায়দ লোংলুদগে ময়াম্ন থিগংতুন থোরকপদ উম্নদনবা! লাপ্ন

চেনখ্রসি হায়রবস্থু মখোয়ন মথেল ময়াম ফদং ফদং চিঙ্খং· পত্থ য়েংনিংইদো। হায়স, য়েংদব হৌনদে, দোভালাগী মিহুথোংদ লোম্ন য়েংব য়ানি কৈনে। (লালুপ চংখি)

(নোংপোক লৈম অমস্থং দিলিপ পোং ময়োম অম, ট্রংউপু অম পায়হুন চেল্লকই)

নোংপোক— মবুক শেংদব আয়ুবন ইন্সিন্দুন লান্মী ময়াম লাল হৌনি হায়হুন লেপ্পহৌরে। ইমান্নী চাংয়া তময়াদ চেন্দুন লেংংলুরসি। (দিলিপকি মখুং পায়হুন চেল্ল)

দি— ভাইখো, ভপখৌ মুগী— ঐ আয়ুবগ উম্নহুন রা ভাংনখিগে, কংরগী লালহৌনো হায়ব হংখিগে মী মচাহুদ। (শাওই)

নোং— কায়দে ইদুংঙো য়ায়রোই। থব্রাংই হিংনব মতম থর লোংলুখিসি। লৈবাক মীয়ামু মব লশিংহু ভাব তাহন্নব অয়াব নংহনখিস। লেংঙসি—

দি— ফরে চংলু, মহুগী ওইববদি।

(মখোয়নী অরেংনব লম্বীদ চেনখ্রব মতুংদ, আয়ুব, ভূটিয়া অমস্থং সিপাহি বোম থর, নোংমৈ অমমম পায়হুন লোম্ন কিন লাকই। চাক চানভমদ বোম থরহু লংশিল্লি, পাকথহুন লৈনৈ— মীয়াম পায়থে ক্তুন চেম্নরকই থিংব নং-হৌদবন সিপাহিন নোংমৈ অমুক অনয়ীক কংপ্প তাবদ কোইন চেম্নৈ— মফম মরাং থঙদন লোংনৈ। থরন য়েক্রব সিপাহিগী মতুংদ, ভূট্টেগী মনাক্ত লোংপ য়াওই, কিবন থক থক নিক্লে, হন্দোক্লে। আয়ুবন "হেন্দস অপ" লাউবদ

মথুং থাঙ্গত্তুনা মীয়ামছু হৌগংলি : চাবগী মচিং ভেংগ্রিব, মথুং হামদ্রিব, লেংইব, পাল্লব অহাওব চাব, লশীংলৈ, সনারৈ, নবদ্বীপ, লালুপচিংব, বসন্ত। আয়ুবন ভূটিয়া ১দি সিপাহি অমতুগী মতেংন মথোয়বু পুম্ন লেপহল্লি, মশাদ খুং-লাই য়াওব্রা চেক তৌই, শেল য়াওব লৌথোকই, চুরুট য়াওরম্ব চমতুন থক্কোকই।

অয়ুব — ঐন ফাগে তাম্নরকপ মক্ক ওইব মীশক অনীদি রাংলিবা কবিনো ? কদায়দ লোংখ্রে অথৌব ছমী য়াওব্রা তাকউ। (কাবক কাবক য়ৈতুন হংই— কান্নদে খভহৌদ্রে ভাক্ক হায়নৈ) মথোয়সি লোইন কৈশুমশংদ থম্মু তোভান তো-ভাম্ন। পুরো চংলো মথোয়না জেল তাম্ন। ঐন পাম্নার পায়রে হায়তুন রেডিওদ লাওথোকউংগ — চংলো পুখ্রা।

(পুথি ময়ামতু)

লালু — (১ংন চংন) ঐন মড ফত্তে হায়ন চিংনবতু দি মসি থোক্ক-দব সন ওইরে। ঐগী ইমাকম্মু ইচাম্মু অতুমভাই— অহল লম্মম্ন থাম্ব য়াদেদো, ধর্ম্ম কাম্নব থবক তৌরুরবদি অকায়ব কয়া খুদোং থীব কয়া নংদব হৌনদব তাইবংনে।

নব— শারেং থোংবতু লালুপচিংব হাওদি হাওখ্রে হায়ববু মুংমচা কোলাস থাবদ শিজিন্নবতু থর য়াওরম্মনে। মুংতু চুম্ববু ফনবু হাওই— ।

অহাও— ভক্রো থোংবতুদি করিনো নৈসি তরং তরং তংপমথৈ লেংইনে কার পোং থাকথ্রবনো থওদে। নৈসি ভাক্তরদ শিলহল্লুখ্রবদি য়াররোই।

লখীং— শিংজুহু হাওবিখ্রে হায়হুন চাখিবদ ঙা মরুম্ন' য়োংপীরা করিনো য়ারিদ ৫/৬ য়ুখ্রে। অহুবু বোম তা'রকপ মথোল তাবদ লোইন য়োৎখ্রে, য়াদ'দি ঈ ঙাক্ত ঙাইরম্মে।

ভুটি— য়ারী শাহু তু'মিন তুমিন্ন চৎলু। চাবগী য়াদ ঙাংই পূর্ব'-চলগী চাকয়াম চাবশিংসি।

সিপাহি— নিপা মথৈ য়ারী শাহত্রেবসু হুপীমথৈদি শাক্তসনু। হোলদার সাহেবন কনবনিন নিপামথৈ শেম্নবিয়ু— ঐ হুপী মথৈ শেন্নজগে।

ভুটি— মীশক খড়ভ, দোকানগী বোর থাংবদ নমি' চৎলব অব· ছুলা, থেপা গাড়ৗ নঙে নবেম্মশিংত। লৈশাবী অম য়াওরি বহুদ য়া হেঞ্জিল্লুহু নোংমৈ চানিংত্রবদি খড়ত্র ?

সি— এস সা'র। (চংখি)

(রেডিওদ কর্ণেল আয়ুবন য় ঙা'ই)

আয়ু— তাও পূর্ব্বাচলগী প্রজা পুন্নমক, ঙসি আহং পু' ১০।০ তাবদগী পূর্ব্বাচল ঙাকপগী দায়ী তু'রেঞ্জাও হায়ন খড়নরম্ব কর্ণেল আয়ুবন য়াজাসাহেব অ'য়ুবখান ওইরহুন পুরগনি। মতাং তৌরম্ব, প্রজা ওৎলম্ব মীরৈবাক্তগী লাকপ দিলিপ কুমার পাংত্রবহু লৈবাক্তি খুজী লংথোক্লমহুন চেনখ্রে নোং-পোক লৈমগ লোইনন। মথোয়গীবু হিংন নত্রগ শিন ফাহুন পুরকপ ওম্ব মীশক্তুদ লুপা লিশীং ৫০ মনা পীগনি। প্রজা পুন্নমক্তি অয়াব কোক্লব আইন হয়েংদৈ শেম্মনি, য়ুদ্ধান কৈবান ফগৎনব নীতি অনৌব থোরক্লনি, মী পুন্নমক হয়াওবিরো। হায় মযুম পানখিব লুহোংখিব পুন্নমক আইম ককথংলে,

অমুক ইনৌ নৌন অপাম্ব মুপী খিনব, থম্নব য়ারনি। লালুপ চিংবন অহানবদ লৌরম্ব সনারৈবু ঐগী বেগম অথোইব ওইন হাপ্লনি, ঐন হাম্ন লৌরম্ব মুপী ৪ চু থায়নরে হয়েংদগী, অপাম্ব শিংন লৌখিব য়ানি। মথা, মুংঙাইরব সরকারগী পাও অতৈ হয়েং অমুক পূং ৭।।০ তাবদ তাবিব ফংনি— মেদিয়ম, কিলো সাইকল ১২২৪ সেকেণ্ড খুদিংদগী। ঙসিদি সিন লোইরে— তাবিবিব পাওসি অকাশবানী পূর্ব্বাচলদৈনি।

(থম্মি) নিপামচানবু লাইবক য়েংব কিব শৌনব্রাও ?

(কন্দুন চংখি)



১৩ শুবা উপে

চীংয়াদ তাব খুল অরাপ্প অমদ দিলিপ অমসুং নোং-পোক লৈম লো উহুন লৈরে। অয়ুক অঙনবনি নোংপোক থংব অতিয়াসি কোরৌহনবন লৈঙাং ফিহুপকুম্ন শংলে, লো খোইবদ মতৈমনাওগী অরাবহু থর কোকচনব নাম্নিব মুংশিংন লীরি লীরি ছুম্নীরি। লৈথোম লৈনাং ইতৈ তৈরব দিলিপ্প লোংপেন শেগাইরব ১ তাথংহুন শেংলি, সার্ট শেগাইরব মনজুনব হাফ অম লিংলি, মকোক্ত খুদৈ অরাংব ১ য়েংলি। নোংপোক লৈমন খ্বাংজেং ১ শেংলি, মকোক্তস্থ কোকশেং শেংলি, মুগা ফুরিং অককপ ১ লিংলি। লৈথোম লৈনাংদি থর তৈবে।

অয়ুক অঙনবদ দিলিপ্প সাংজৈ ১ পায়হুন লো খোইব, নোংপোক্ত লৌরি থোনব য়োং অচা ১ পায়হুন।

দিলিপ— অর অরনে, তি তি, তি তি নংবু পৈন চংকল্লনে। লিং-জেল মান্নত্রবদি থবক পাংব থৌনদে নহায়। দানান হাওন চানিংইব থবক্ত ফজ্রিবা!

নোংপোক— হৈদি হৈতন সল্প তাইনরিব্রাও? ব্বাররিনি ঙহাক্ত পোথাথো। ঐ অমুক হৈব্রা য়েংগে, অমুক্ত খোইগে, সে।

দি — নখোয়গী পূর্ব্বাচল মচাদনবু নিংথৌ মচানি, ব্রাহ্মব মচানি লো উব য়াদে, চাব্রা চানি লেম্ন,— মীন শূবগ চাবদি

য়াওনি হায়জবনি ইবেম্মা। ঐখোয় লৈবাক্তদি লৌউব, ফি শাব, লৌবুক্কি পাৎকি কাংবুথানাগী থবক অদুম্মথৈ তমশিন্নৈ। য়োংলৈ অনীদং কাংবদ নখুত্তু পোকথোক্লরিবিনি খণ্ডই। ও'সদি মোরোক শান পূর্বাচগগী ইরোনব চাদোরিবনি উত্তী অমগ, নখুংত্তু কমদোদোরি ?

নোং— উত্তীত্তুবুদি তোংউ ফত্তরব মকা অম থাক্লুন ফজন খোংবিনি, ইরোনবদি রাজকুমারন লোনবিব তায়, থুংসি য়াদ্রে, য়াম্ন পোকথোক্লে।

দি— লৈশাবিভৈদ ফৌ শুবক্ত্রাও ? উত্তাংবী ওইন পুন্সি চুপ্প হিংনব তম্মকপ্রাও পিক্লিভৈদা ? য়োংলৈ অনীদ খুং পোক-থোকপী মুপী অম পুত্তন ঐন লৌ উত্তুন চাদোরিবসি করম থোক্লগবা খভদ্রে ; তি তিনে।

নোং— নহাল য়েঙ্গাং মথেল ময়াম চাখিব মীশিংত্তুন উরবদি ইমানীবু কল্লক পেম্নরনিদা ! অত্তুক হাওব য়েঙ্গাংশিংত্তু বোম তাবগী পাথৎনবদ মহাওদি খভতরিরোই ।

দি— মথোয়ন চাবত্তু ঐদি য়েংনিংব জাৎনি ইরাইবক্ক য়াদব হায়ত্তুনি ।

নোং— মীবু রাহন্নিংবগী নংহন্নিংবগী তৌরুব পাপ্তু— খুদক্ত মহৈ কংলেদো লৌমী।

দি— ফংসন্নু রাজগে, লৌমী, উত্তাংবী ইবেম্মা। অরনে—তিতি।

নোং— কোম্নুং লোমদৈ মীন উথ্রবদি নোক্লনিদকো— অচৌব লৈ-বাক্কি রাজকুমার লাইবক থীবাও। নথোয়গী ইকু ইবুংভোন উথ্রগ করি হায়গদগেনে সনা মতুম লৈথোম রৈবাঙ। থম্মু

পোথাংরো হায়মি, ঐ অমুক শিনগে, হোরেল ফমুংদ পোপ তাখিবদগী রাবন মিকপ থোক্লরোইয়ে।

দি— তুম্ব মুংভাইবদু রাজমরে, লৈবাকি রায়েন্দ কোক ভাওদুন অহিং তুম্ব য়ারমদবদু হুজিক কয়া মুংভাইরে, কোক রাইশংন খ্রো খ্রো নাথোকপ য়ারেদো।

নোং— রাদে, ইকাইদে— নশান মুংভাইজে হায়রবদি ঐগীদি য়েংব কয়া মুংভাইত্তে হায়বদনি বেরা লৈতে। ফৌ য়াম্ম থোক্লব কন্ন উবিয়ো পাখৌ ইবুংঙো।

দি— (হৈশে ওইন)

মুংশি মত্তং লাঙ্গিনি খল্লু
পাম্মুব মাগীদমক্কি খুম্মু
কনাবু ইকাইনি কবিবু রাগনি ?
অরনে, তিাত — তিতি নহায় !
চৌংদ কাহুন শিংমু চনবিগে,
লৌবুক্ত কুমহুন লৌম্মু লিংবিগে,
কনাবু ইকাইনি করিবু রাগনি
রাখওবী নংন রাবিব রাওরি ও।
মুংশি মত্তং লাঙ্গিনি খল্লু,
পাম্মুব মাগীদমক্কি খুম্মু
মাংজখো তাংবন নিংথৌগী নাপন
লেংবিম্মু পাম্মুবী নংদ ঐহাক্কি।
তিতি, তিতি নংবু লম্বী চুম্ম চংলুনে।
রাদে হায়ন খল্লগ রাদবনে। ঐদি রাদে—

নোং— চুকটসি থকুম অমুক্ত পোথ'থো হায়ব সনা মতুম, রায়-ঝিয়ে।

দি— রাসমু ইবেম্মা নশুং লাংগিনি। অরনে— তিতি। সন-শিংদি ময়ম্মাই রাজব ভ'ক্লি—, ঐথোয়নীদি মেয়ম্নুন-রাবনি অমদ খিৎত্তনি।

নোং— অদুবু ঐদি য়েংব ভমত্রে হায়ব।

দি— নংন ভাবোক ওইত্রবমু সক্সিংসি ময়ম্মাই চিংজনি। য়েংব রায়শ নং ভহাক পোথ'ক্লনে। ঐদি রাদে লোইনব থোই-খিনি—তিতিনে।

নোং— অমুক্ত-শিনগে হায়বমু য়াদে—, অদুগা ঐ চা লোম্লুখিগে। ভহাক থকুন পোথানব— ।

দি— ইবেম্ম নংন লাইয়ব ইকম তায়ব লাইবক থীয়ব ঐবু অদুক পীজ পীথক নিংইবত্নুবো করিমনো? ইপাপকি রায়িবনে রাজসনো— অর, তিতিনে। হা?

নোং— অদুবুরাও?

দি— হোয়নে—করিগিনোনে?

নোং— সুরাইদ চংবিরকও লোম্ন ভ'কচগে—ফোংন হায়ব ইকাই-জৈয়ে।

দি— থবক লোইড্রিডৈদ তাবদি ভমজরোই, অর তিতিনে—কোম্ন হায়মু মাংখিদোব রা নত্রবদি—ভারুবাক্ত ভারৌ লীব-শুম অদুম থমছিল্লু নবুক্লিংদ—তিতি, লম হেল্লিদা!

নোং— (শোল্লি) হে ঈশ্বর ইবুংভো! মস্তক মুংশিব নিপাসিবু ভ.ইবংপান্দ অনী অখিত্রাও নংন শেম্বদ? থাজদে।

দি— থবক কয় নোঙ্গ মীদি ঈশ্বরন শেম্ব য়ায় লৈয়ে।

নোং— (ফোংন) য়া হায়রগে লাকও হায়বা—, লৈথোমলৈমাং তৈব সনা মতুম, নুংশি মপাঙ।

দি— য়া হায়দোক হায়জিন শান্নবতুন চাকতাংবদ পুক থনব য়াপোৎ নত্তে। মংন চানব লৌ উরিবনে ঐগিসে, নংগী হায়নিংব য়াশিংদো চরু ইকু পৈথৎপদোন অহুম পৈথৎথো করিম্নু পৎশোই, থবক থারব কান্দ হায়নিংব হাইয়ু, পীজনিংব পীজৌ—অর তি তি—তিতি নহায়।

নোং— মসি নিপাসি ওসি লৌবুক্ত য়াম্বব তারে, চান্নু লোম্নুগে, ইশিং অইংবম্নু থর থোয়াং তৌদব য়াদে। (চৎথি)
য়ায় শূরগ থিৎত চাব অসিগুম্ব নিপাসি ঙাক্ত ঙাইরবদি পূর্ব্বাচলাগ মুগীমথৈ ইশূ শূরনা মবুক কায়নব চাজব য়ানিদ।
(দিলিপ্ন ইশৈ অমুক শক্কুন লৌ অহুম থোইহোই)

---

১৪ শুব উপে

কর্নেল আয়ুবম স্নুট শেংলে, দিলিপ্ন য়েংলম্ন কোয়েং আঙমীর য়েংলগ চৈ মচা অম পায়হুন লাকই। মতুংদ ভুটিয়ান অহাওববু মখুং পুন্নগ চিংহুন পুরকই।

আয়ুব—অহাওবা!

অহা— কর্নেল সাহেব। (চপ লেপ্পি)

আয়ু— কর্নেল হায়রম্নু রাজা সাহেব হায়য়ু মিষ্টর অহাওব চাব।

অহা— ব্লারৌবিম্নু রাজা সাহেব ঐ কাওথোকপিরুরে।

আয়ু— নংবু, য়াম্ন কাওগনব্রাও? অতৈউ নোংপোক লৈমবু নংন য়াম্না সুংশিথি, মাবু লৌগে হায়হুন হোংনথি। কাওরব্রা?

অহা— মতুদি কাওবিদে, নোংপোক লৈমন ঐবুদি য়াম্ন সুংশিব জাংনি।

আয়ু— নোংপোক লৈমন নংবুদি য়াম্ন সুংশিবনি মহাক্তি হুজিকম্নু নংঙোন্দ লৈনি হায়রিবনি— নংনা মাবু সুংশিদ্রেময়াংন লৌরুরে পামদ্রে হায়গদ্রা?

অহা—ইস, করি ব্লানো রাজা সাহেব, ঐদি মাবু পাম্বিখ্রবনি, মপি মুপাহু লৈবন করম তৌসিন্না থনবদনি।

আয়ু— নং রেডিওগী পাও তাব্রিবা? হায় লৌনরম্ন সুপী, সুপা সোইন খায়নরবনি আইনগী মতুং ইম্ন,-রাজাসাহেব আ-য়ুবকি আইন অনৌব,—অরিব কান্নদব চংনবী পুম্ন য়েংদেম থারাক শোইবগুম থবং থবং তংলবনি। ভুটিয়া, জেন

থানাদ রেডিও অম লাউদ স্পিকর অহৌব অম পান্দুন থম্মু চংলু—হুজিকমক। চংলু—মাবু থাদোক্লম্মু।

ভু— আজ্ঞা, সু। য়াথং। (সলাম তৌরগ চংখি)

অহা— হায় লোন লৈনখিব মুপী মুপাদু লোইন থায়নব তারবনিনে রাজা সাহেব ?

আয়ু— থায়নব তারে, অমুক হুজিয়নিংব কাংবুন হায়ন শিংনদুন হজিয়ব তাবে। হজিয়ররোই হায়রগ অতোপ্পা অম থরদুন অমুক লুহোংব য়ারে, আইনগী মতুং ইন্ন। মরম অদুন দিলিপক নোংপোক লৈমগন্সু থায়নরে, নংন মাবু লুহোংজব য়ারনি নথোয়নী পাম্বব মতুং ইন্ন।

অহা— দিলিপ্তু কদায়দ লোংখ্রবগে, মাবু হায় কাদুন জেলদ থম্মগ লুহোংবন খুদোং চাব তায়। ঐ মাবু কাক্লগে। নোংপোক লৈম পুরক্কে—। সনা য়াথং অমত্তু পিবিয়ু।

আয়ু—দিলিপ্ন নংন চংন থডদে হিংন থডদে— কারকপ ভমলবদি মনা লুপা লিশিং ৫০ নি; নং তাদ্রিবাও ?

অহা— ননাই ঐ লাইবক য়েংঙরুগে। মথোয়নীদু লোংপ রাগদব মীশক ডাকনি—। লোৎনিংব মফমদ লোৎলমসু অউপ্পা উনা লোনে চায়গৎতুন থিজরক্কে—নমদুন ফাজবক্কে—নোংপোক লৈমদুদি ঐবু য়াম্ন মুংশিন্নিব জাৎনি—ঐ মুগ্র থডভি, থাজবিয়ু।

আয়ু—নং চংলো থিক্লো। ঐগি খুদোপসি উৎলগ সনাবৈদু জেলদগী থাদোকউ ঐগি হুকুম্ন হাইয়ু,—মডোন্দ খুদোপ্তু পীবকউ। মহাক্ক বেগম ওইরদোবনি ঐাগ, রাজা সাহেবকি।

নংন নোংপোক নৈম লৌরগ যুবরাজ ওইগদবা। (ফাক ফাক নোকমিন্নৈ)

(মপুং শোন্নৈ)

অহা—অতুদি রাজা সাহেব, ঐ দিলিপকুমারগি মতক থিব চৎহনগে।

আসুব—থীহনবনি তহাওবা। নংন দিলিপ হাংলগা নোংপোক নৈময়েক পুবকপদ—নংবু ঐন রেডিও পূর্ব্বাচলদ যুবরাজ ওইনবা হায়দুনা লাওপোক্কনি।

(সনাম্ব তৌরগ চৎথি)

চৎলো, সনাইনদা রেডিও ষ্টেসনসিদ লাও হায়রম্মু।

(হঙ্গং হন্দা চৎতুনা মবুক্কিং মুংগাইনা নৈ)

ঐগা নৈরিব মুপী অমনবী ৪ সিদি মথোয় মথোয়না লেংকপ জীবিকা ওইনব হিদাক মনাবু য়োল্লুগে, মাঙ্গু মরুম্মু থিরগে পিজরুরো চৎলো হায়দুনা তাম্মোকথিব তারে। ঐবু মীন ফত্তে হায়নবোইদ্র ? মথোয়না কৈ হায়রগ ঐতোন্দ করিবু থাম্নগদগে ? ঐন মুংঙাইরগ লোইরে. তাগাং ওই-দোরিব ঐগি সনাতুন মুপী লোল্লবদি ঐ নৈব তম্মোই হায়-নক্কনব নৈ —ঐ য়া, থঙদব তারোইদ্র ! শিরগ ঐবু লাক্ক-গদ্রা ? হয়েং মপোক্কি য়া সোরদো—হয়েংমপোকি মংলান-গিদমক হন্দক মপোক্কি তাইবংদ মুংঙাইবসি বঙ্কক থম-লোকপ চুমবা৩? অপাংব মীগি মতৌ লাইনা থারকপ রাজা সাহেবন তঙ্গ হৌনদ্রা।

(সনাইনৈ কেন থেক থেক লাকই)

সনাবৈ— তা তুবেঞ্জাও, ঐবু কৌই হায়ববু করি থবক্নিনো ? খুবাক মরি য়েংবিগে হায়ব্রাও ? খুদোপসিন করিগিনো ? (পীথি)

আয়ুব— খুবাক মরি য়েংগদব নত্তে সনা, ময়িগী ফোল তাকে তৌবনি—লাইচ্চকফবী।

সনা— করি ফোন ফংব তারবগে তাতুরেঞ্জাও ?

আয়ু— নং বেগম ওইব তারে মহারাণীগুম্বী।

সনা— কনাগি মহারাণীনো ? করম্ব ওইদৌরিবা তাতুরেঞ্জাও ? ঐখোয়গি মাগি পাবুং, নং তাঙাংন করি ওইব তারে ?

(হরাওন হংই)

আয়ুব— তাদ লালুপচিংবন ওইব য়াব ফমদি লৈকাই চৌকিদার নত্রগ খুনগি গাংবুরা। সনা নংন ঐগি মহারাণী, ঐনা রাজা সাহেব। পূর্ব্বাচলসি ঐন হুজিক্কি ভাক্লদৌবনি। হায় হোঙখিব লুহোঙব পূম্নমক আইন্ন য়াদ্রে, অনৌ অনৌব হোংব য়ারে। সনাগি দ অতৈ থিরুবগু রাজা সাহেব ঐ লৈরে।

সনা— তাকপিরিব রাসিবু অওইদ মওইব্রনে ?

আয়ু— ওরাং নহাক রেডিওদ লাওথোক খিবদু তাহৌব্রাও ? ষ্টেটকি গেজেট্টস্থ পাওশিংসি ফোংখ্রবনি, থবর অতৈদস্থ য়াওবনি।

সনা—ঐদি নহাল মথৈ থওদে, তাতুরেঞ্জাওদি ঐভোন্দ ভাব অম লৈবিরম্বিব রা ওইরে, ঐদি ওসিদ খওইবসি ভাইদা !

আয়ু—ভাইবং মীগি পুক্নিংদ লৈব রাসিদি ফোংবু ফোংদোক্নব্রবদি খওনদে ইবেম্মা পূর্ব্বাচলগি থোইরেন থোইবী, ঐগি থরাইগি তুংনকম। নংন পীব থৌনাদ ঐন সি য়ৌরকইবনি।

সনা—হান্ন মুপী ৩/৪ লোল্লি হায়বগুম তৌবহৃদি কমদোৰ তা ৱিবা?

আয়ু— লোইন খায়নখ্রে নখন্দ ভাইরে সনা, ঐগি মহারাণীদি।

সনা— (কেন) রা অমত্ত হঙ্গংচগে। ঐদি চহি অঙাং নত্রে—২০ হেল্লবীনিদো। চহি ১৭/১৮ গি লৈশাবী ফজ ফজরব লৈ অম অনী খল্লগ মহারাণী হাপ্লিব য়াত্রাও?

আয়ু— ঐন পূর্ব্বচঙ্গগি মনুংদ খ্বাইদগি মুংশিব কল্লকপ মুপীসি নংন মরোইবে সনাবৈ ইবেশ্ম। ঐবু খাজৌ, ঐ অৱানব ভাংদব অৱানব লীচৎ চত্তব ধর্ম্মবীর আয়ুব খাল্লি।

সনা— ফরে অতু মভাইরে, থৱাইন চপাৗয়ুংবিরবদি—আইন কাইব য়াদবনিন মহারাণী ওইব তারেদন ইরাইবক্ত তম্বনিন। অতুবু রাণীসি ২ দদি শুনব নহা অমত্তুংদি সেকেণ্ড রাণী ওইনব হাপখিসি ইখন্দ ভাইবসি চহিন অঙাং নত্রবন ঐমু ইকাইরপ তৌই। ঐন হায়রিবসিবু আইন কায়রত্রা?

আয়ু—আইনগি মতুং ইম ঐদি মুপী ৪ খিব য়াই—ঐদি অমদৈ হেল্লিংবনি অতুবু নংন পামজরবদি—নংগি সেবা তৌহন্নব ২ শুব রাণী অম হাপচৌ য়ানি।

সনা—জেলদ হুজিক লৈহৌরিবী লশিংদৈ হায়বী লৈশাবীহু মশা কৈ, মশক মতৌম্নু করিমত রাৎতে, মাহাক অম হৌজিল্লুংরগে খুং খর কমব হায়বৰু—রাজা সাহেবন থৱাই তাবিদত্রা?

আয়ু— ঐগিদি নংন হায়রগ লোইরে প্রিয়ে নুরজাহান। ননিং থুংনব মাবু জেলদগি খাদোক্লগ পুরকউ, ঐগি স্নায়াখংনি হায়ন্নু—কনামত খিংলোই। (খুদোপ পীখি)

সনা— অতুদি মহাক লোথোকচক্করগেদো। (কেন)

(কেন চংখি, আয়ুবন দিগ হুংঙাইন য়েংতুন লৈহোই)

তুরে—তাইবং মীগি লাইবক কনান তম্ব ঙম্বগে হা হা—। মীবু হুম থোইদো শাণ্ডগৎন মীথাদ পোন্দুন লৈব হোনব্রাও? নিপা মচা থোক্রুবদদ হুপীমচা ইতুং ইনবিনব থোক্লকইব—নব্রাও?

(রেডিওদ চংতুন রা ঙাংই)

ঙসি পূর্ব্ব চনগি আফিস অমস্তুং স্কুল কোলেজ পুম্নমক রাজা সাহেব আয়ুবকি লুহোংব য়াঙনব ছুটি থারনি। মনিং তম্ন চারো, থকলো—হরাউনবো। তারিব পাণ্ডত্তু আকাশবাণী পূর্ব্বাচলদগিনি। ঐগি ইচেং পাংথিব লান্নীশ, মথোয়দ ঐন তৌবিমল থণ্ডব উংপ ওইন নংন নংন পাম্ব হুপী অমমম মুন্দুন লোজব য়ানি; কুম অমগি চাব ওক্রুব ফৌ-চেং—অরৈব মহাজনগি কোট্রগি নক্রগ লৌউব লোমী-শিংগি চেংফুদগি তঙথায় অম থাকলম্মগ নংগি নংগি কেট্র চেংফুদ হাপচব য়ানি। মসি পূর্ব্বাচল নিংথন ঙাক্রুব লাম্মী য়োক্রুব চলাইদব য়াদ্রব আয়ুবাকি রুলনি থঙজু। লম্মী ওইবন করনি থল্লব মীন লাগ্মদ ঙসিমক নমিং চল্লব য়ানি। তারিব পাণ্ডসি আকাশবাণী পূর্ব্ব চলদৈনি, ঙাংইব ঐন রাজা সাহেব আয়ুব থান্নি।

(সনারৈ অমদি লশিংলৈ র তাম্নহুন লাকই, ছুবী অনমম লোম্ন পায়রকই)।

(সনাটৈন বাসক মতেক অম ভংলকই, লশীংলৈন শ্রীমতী রাধিকা শাৱকই, আয়ুবন ভাইহুন হৱাওন লৈ)

ইশৈ :   (অপাম্ব শকউ)

ব্রজের পথে যাইরে ধনী কুঞ্জব গমণী—............................

আয়ু— মশান য়ারবা অতোম্বীহুবো ?

সনা— (মনাক্ত কেন চংলগ ন কোংদ) মমিং ওইনব লৈ পরেং অমত্তদি ভকশমদ হুকচগে হাইবে ?

আয়ু— লৈ পরেং ভকশমদ হুকপ হা হা হা করি য়াদনি— পূর্ব্বাচলগি চৎনাবনি । হুকচরো লাও—লশীং লৈমা ।

লশীং— মসিনি ঐন হুকচানংব লৈ পরেংদি । (হায়রগ হুরীন থিল্লি—মথোয়না চাহুন হাংদ আয়ুবপু)—অয়ো য়ো লাওন আয়ুব ফর ফর ওন্দুন, ই-শিং কোৎদ থাং পিথক্তুন হাংথি ।

সনা— (রেডিওদ লাওথোকই) আয়ুবথান লুহোংবদ লৈ পরেং অনীন মগুক্ত হুকপদ শুম চারমহুন মঙক কেল্লক্রে—শিরে, লৈবাক অসি অমুক হন্ন দিলপ্প ভক্লনি । দিলিপ থিব থওদ্রিবৈগী মরক্সিদ সনাটৈ মতৈ লালুপ চিংবন লৈবাক পুংগোগনি—জ্ঞেসদ লৈরিব চণ্ডাল আয়ুবন ফারম্ব মী পুম্নমক হুব্জিকমক থাদোকউ । পাওসি আকাশবাণী পূর্ব্বাচলদৈদি —সনাটৈ দেবীন লাওথোকচবা ।

লালুপ চিংবনচিংব নবদ্বীপ থোয় হৱাওন চেল্লকই অশিব আয়ুবত য়েংলৈ, শিরমদবস্থ থগুদে হায়তুন ময়াম হাংলি । থরন অশিব পুখ্রা—থরন দিলপ থিক্রো হায়-তুন চংহনাথি ।

লাপুপ— (রেডিওদ ভাংই) ছুস্কিক্তি পূর্ব্বাচপদ শান্তি লৈরনি— হিংচাব কংস শিখ্রে, কৃষ্ণ শাব য়ারিব ননাই লালুপ-চিংবন লৈবাক্তি মুংঙাইনব য়েংস্থন—প্রজা পূম্বগি ফনব য়েংস্থন ইমাক দিলিপ হল্লকত্রিব ফাওব ভাকচরনি। লানগি অকিব লৈবিরম্ম, চাক তাংবগী মুংশা থিবিরম্ম, য়ুম কায়-বগি মুংশা থিবিরম্ম। চাব রাংতনব মী মথল পূম্মক্তি ওই-জব মাংদনব, অচুম্ব চেংগী নীতি, লৌমী শিন্মী—মীচম—মহাজন পূম্ম তানরগ অম শেম্মব পূর্ব্বাচপগি দরবারদ লম লমগি অহৈ অশিংব পূম্ব কাবিরকউ হয়েং পুং ১০ তাবদ। লান ভাক্লব অমদি চাক তাংদনবগি মিংদ নয়। পৈশা ৫ থায়রগ য়াগদব মক্ষমদ ৯৫ মুন্দুন আয়ুবকুম্ম মী ওংচরোই। তাবিরিব ঈ-পাওসি আকাশবাণী পূর্ব্বাচপদৈ লৈভাক থুর্জ্জো পায়ম্মব, সনারৈ থায়নদব লালুপচিংবন লাওথোকচবনি।

---

১৫ শুবা উপ

চীংয়া খুঙ্গোন, লৌ উ শংদ সুমিৎ তারে। নোংপোক লৈম লালটেন থাঙংতুন ফৌ শুব লোইরগ চেং মচং খল্লি ইমুংদ য়াঙ্কোক অমদগী। শিং চনব চংখিব দিলিপ সুমিৎ তারব ফাওব হল্লক্তুন নোংপোক—মথন্নাই য়ান মওন মওন খল্লি করি থোক্লমগবা। থোঙদ নিপা অমন কাক থংপ তাবদ লাক্লে হায়দুন হরাউবন নোংপোক পয়প পরপ হৌগংলি থোঙ হাংদোকপ।

মোংপোক— করি তৌরবনো সুনিৎ তারফাওব হল্লকত্রে হায়দুন ঐদি মুংশা থীকরেদা।

(থোঙ হাঙলগ দিলিপকি মচুংত অহাওব ওইরম্ব উদুন ইঙক ঙকই)

অহাওব— ঐনিনে মুংশিবা, করম করম্ন পানব ওইরিবা ? রাজ-কুমার দিলিপ্তু কদায়দ চংখিব ওইবা ?

নোং— ঐদি মহাক ওইরবোই নিংসুদুন থোঙ হাংদোকপুরিবনে। শিং চনব চাংদ কাখিবদগী হল্লকত্রিয়ে মাদি। ইবুংবু করি থবক্কি লাকপিবনে ?

অহ— থবক অতৈগী লাকপিব নত্তে, নংবু মুংশিমনব ওইবগী লৌকুগে লাকপিবনে। দিলিপ ওইরবোই নীংউবগী থোঙ

চাংদোকপ ওইববদি ঐহাক ওইরম্বগী থোঙ অমুক লোন-
বিগে হায়ত্রা ?

নোং— করিগী লোঙ্খুদগে ইবুং লাক্লগা! ফালসিদ ফম্মিসি।
(ফাল থায়)

অহা— থোঙ লোম্লিংত্রবদি ঐন নংবু সুংশিবিবগুম নংসু ঐবু অহুম ছুজিক ফাগুব সুংশিব ওইব তায়। নত্ত্রা ?

নোং— করিগী সুংশিদদগে ইবুংবো।

অহ— হো, নংন সুংশিরবদি ঐ নংদু লৌবিরগে লাকপনি। আইনগী মতুং ইন্ন ছুজিক্তি ঐন নংবু লৌব য়ারে।

নোং— করিনো হায়রিব য়াহ্ ঐহাক ভাব তাত্রে। করম্ব আ-
ইন্ন য়ারিব ?

অহা— নখোয়ন চেনখিব মতুংদ আয়ুবন রাজ্য সরকার ওইবিখ্রে। মাগী আইন্দ হায়ম লুহোংখিব পূম্ব লেইন থায়নব তারে, অমুক অপাম অপাম্ব খন্নহুন মোম্ব লুহোংব য়ারে। নংগী ইমাশিবু মহাক্ল মহারাণী হাপখ্রে, নংবুন ঐডোন্দ আয়ুবন লৌজরো হায়দুন পীবিরে, ঐন যুবরাজ ওইব তারে।

নোং— করি রাগো, ঐদি আয়ুবকি মচা নত্তে, রাজকুমার দিলিপ-তুম্ব লৈরি ছুজিক্তি, মহাক্কি আইন্দু ঐখোয়দি তাদে, দিলিপন্ন আইন্দু য়ারোই।

অহা— পূর্ব্বাচলগী নিংথৌ আয়ুবন নংসু, ঐসু য়াওব মী পুম্নমক্কী, মপূ ওইরে। মাম নংগী ইপা ওইত্রবসু নিংথৌ ওইবগী নংবু ঐডোন্দ পীবনি। দিলিপ্ন ফাব নত্রগ হাংপ মীদ লুপা

লিশীং ৫০ মনা পীগনি। মহাক্তি লৈত্রবগুম্বনি থল্লু।

নোং— করি ৱানো হায়রিব ৱাঙ্গবো। মাগী করি মতিক লৈহুন ঐগী মুপা হাংকনি?

অহাও— নংগী মুপ ঐ হিংই মান হাংলোই, নংগী মুপা ওইত্রব দিলিপ্না মান হাংতোব্বাদ।

নোং— মায়ুবন নিংথো ওইব ঐথোয়দি মাদে, মাগী আইন ঐখোয় চঙ্গে ইবুং।

(মকোক্তু শিংপোং পুংচুন শিংজং অম পায়রগ দিলিপ লাকই, কোম্মোংদগী নোংপোকপু কৌরকই)।

দিলিপ— নোংপোক্তু শাংগী পাম্মোইবা, নংবু তারিব্রা? দিলিপকি থৱাই পুথো হিদিঙ্গা মচাও! মতৃ অচিকপ লাউশংসিদ মথন্দ লৈবিদ্ধ করই কৈওইবগুম্ব লাক্কন ফাত্তন পুৱ্রবনে! তম্পাক্তু কোনম্মে তক্ক গুম ভোনবা — নংবু তশ্বীবাও? শিংসি অমুক্ত থ বো লাও ও, মশক উংগ অরা পোত্থাবগে?

নোং— (চেপ্পেক্কুগ হৱাঙ হনাও) লাকহে নবাও, মুংশিং মচি অনভব, পাম্মু-মচং অপেংবাও।

(শিং থ নিন্নে)

(হুমাং কৈরাথোকপিরগ) ৱাবন অমুক্তাইন লোইরবিনি — শিং য়াম্ম পুরকপসিন থেংলকইবনিদনা।

দি— চৌংথোঙ অম্বীদ কৈশাল অম থেংনতুন হাংতোক্লম্মে, অতুন থেংবান।

নোং— শাম্ম থেংনবকপ— অক্তুদি ৱাবনা শিব তারে, থরদ পুরকপ য়াগ্রাও?

দি— কুইন থানব চল্লিংইগী য়াম্নপ চনবন কৈ, নং ঊবদ অরাব পূম্নমক মুমিংনন থোকপদ অমম্বন লোংথিবগুম মাংখ্রে। পাঙ্গল কল্লক্লে, নুমিং নৈম, অতোপ্প কৈঙ্গাও অম লাক্লরবস্থ উম্মনি ঐ। কনানো সাঙ্গোন্দেসিদে—মীবা শারা ?

(মুন্ন য়েংই)

নোং—অহাওবনি লাকইবসি। (তপ্প)

অহা— লাওনে দিলপ, ঐনি কবিস্নু কিগস্নু। শাগুম মীনি—হায়-সিরা নংগী য়েক্লবনি হায়সিরা নংন পাম্ব হাইয়ু।

দি— করি থবক্নে নোংজুথাদ শকল্লোংপ, পোইন্নুগী মক্লো ? কৌ য়ানব পাম্বা ?

অহা— নংগী নুপী ওইবম্ব নোংপোক নৈম শকহেনবী হুজিক্তি আয়ুবন ঐগোন্দ পীনহুন ঐগী নুপী ওইরবীসিবু লৌখিগে লাকপনি।

দি— আয়ুবন নাঙ্গোন্দ পীরব চংঘবদি ? মাগী করিমতিক নৈব-হুন, মাগ কনি থোক্লহুন. ঐগী নুপীবু নাঙ্গোন্দ পীথোকলে হায়রব থাগৎপিনে মংন, অপওব চৌংজুম থকপা ?

অহা— চৌংশা তময়াদ লেংতুন থাডন, নৈবাক মীরক তিন্দব নেডিগু কদব, পাংদব মনি পওইবদি য়ুবরাজ। আয়ুবন পূর্ণচন্দ্রী মপু ওইরে, ননেম্বোক সনাইরেবু মান লৌহুন মহারাণী ক পখ্রে. মখংন লেম্ব আইনগী থাংজোন হায় লু-হোংখিব কিলি পুম্ব কক্পথংগ্রে, নংগী নুপী সি মপা থোকপ নিংথো আয়ুবন আইনগী মতুং ইন্ন ঐগোন্দ পীরে, নংবু হাংপ নল্লগ ফাব মীদ লুপা লিশীং ৫০ য়োখ্রে, মনা পীদোরিব

নথরাই হিংনব নং চেঙ্গথ্রে', নংবু ফানিংদে নংগী গুপীদি ঐ লৌবিহৌরগে। মহাক্তি নঙোন্দগী ঐবুন চেম্ল মুংশিরিবনে থডজৌও।

দি— হা হা হা হা .. ... আবুবন নিংখৌ, অযুাকি অনৌব আইন, লুহোংথিব পূব হন্জাকনৌ, নুপী থিব থডলমদব নংথোয় অমুক ঐংখোয়গী ইচং শিমংগ হায়নিংনে। হা হা হা হা ..... মতৌ নিংথৌ হুদি, আইন্দুদি নংবক্ত চৈংলক্ত চৎনক, নংথাও মপৌ মগী পানগ মো মো খোঙ্হুন শা ওইন চংনু, থাঙ্গন হৎপ খপচৎ। পুং গাচলদ মহুম নিংথৌ, মহুশুম আইন কেন্দৌইচন্নু লৈব যাবোই; পাম্বী পুন্নমক্তী উশাশংন নমাই থারবশিংহদ কম্বক্কনি, চৌংমায়দে গুংপাকশিংন শুম্বরক্তুন নথক্ত ননগে হায়রক্কনি, তম্পাক্ত লৈব সন ইবে হনফাওয় নবুক অচৌবশিংহদ মচীন থিঙ্গাই-হুন হাংকে হ ধরক্কন, ৎৎ হোন্দোংশিংন নশাঙ্গু উবদ হুক-চত্তুন নবুক্ত চীকে, ননায়ন খোংকে হ ধরক্কন—গীগী রাদি থাখে হৌনব থডবব লমহুন, লম্বাগী উফুনন, ফ ওব গুংশিং ছাহুদন নমিৎত মমম হ পাঙ্গশিল্লক্কনি থওড়—।

নোং— ওক্লে থীন হায়মল্লে। ঐখোয় যুদ্দ লাকপ অতিথিনি রাজকুমার।

অহাও— মতম পুন্নমক মাল্লদ মীরৈবাক্তগী লাকপ রাজকুমার, নফম তাবগী গুপী মাংগদবাসাগ নথরাহ হুংওাইতব য়াহ, নংন শাওবহু চুমই, মুংশি নং মীনি ঐ থওই। অহুবু ভাহ

মতমগী ঈচেল অকনববু নংগুন্ন মীমচা অমন থিংব ভম্ব হৌনদে। মো ভু থাদ ভাব নোং নং থান্ন ভম্বা? নিংথম থাদ নিংথম্ব—, কাদেন্দ হুংশা শাব থিংবগী মতিক নংগী লৈব্রা? পুর্নাচৎগী সিংহাসন্দ আয়ুবন কাখ্রফাওব নং চৌংদ শিং চন্দুন লৈরি, রেডিওদ মাগী আইম্ম নংগী মুপী পীথোকপ. নমেম্মোক মান মুনখব. অচা অথক নমহুন লোৱগ মাগী লান্মীদ, মীসদ পংপ পীথোকপদ নংন কারি তৌব ভম্মি? নং লৌদ খোইব ভম্ব য়াই, সনসেনবাদ ভম্ব য়াই—আ-ইনবু শিংনব, মতমগী ঈচেলদু শথবাদ্র থিংবদি নংগী নতিক নত্তে। য়া কম্ম ভাংমন্দুন নথনাও পোকথাম্মহনবাদি নংন ভম্ব য়াই। হা হা হা হা...—সন হুংশ ভাইবং মী নরাই-বক থীবা।

দি— অহাওবদ চাব, অপানবদ কন লংক্রুকক ফগ', চান্দন শাম্নব কাংজৈলদি ইমানীগাসি পাঞ্জল থোকফম খঙলম্নরোই; নংগী কারি কাংজৈ য়াওরকই? আয়ুবাক খাউন্দুন পায়রগ শম্ন গের', করি খুংলাই পাঁয়ুংগে? ঐগীদ শিংজংসি পায়হুন পনস্তাকপ তারি, পুহুন চেন্নু ঐগা মুপী কাংক্রুম লৈমনি?

(শিংজং পায়বংতুন ফিভম তোরগ লেপই)

অহা— আইনবু ইকাই খুম্নো, হিংসাগি থবক থাদোকউ দিলিপ আয়ুবাক লান্মী মোসিন গন পায়ব অমন পেজ্রেক পেজ্রেক কাম্নদ শিংজংহু কাম্নরোই। ঐ নংবু নোংমৈন হাংতোক-হন্নগ নংগী মুপীবু নতুংদ লোব পামদে। নং নথরাই হিংনব

নরৈবাক চেঙ্গথ্রে', নংগী মুপী ঐগ নঙোন্দ হেন্না মুংশিনবসি নবুকচেল চাওন মরৈবাক মচা, মান পিক্লিডৈদগি মুংশিন-রকপ ঐডোন্দ অমুক পীরম্মে'। ঐ নথোয়নীবু য়েক্নব আ-য়ুবকি নোংযৈদ পীথোক্লীংদে, ঐবু শক খঙু, নথোয়গী মরুপ্নি। অহিংসা অমদি প্রেমগী কাংজৈ নিয়ম চুম্ন, কাং-লোন কায়দব, লেম-ন শান্নসি, নং রাজকুমার অমনী হায়রগা মতু কিত্রা ?

দিলিপ— অহিংসা অমদি প্রেমগী কাংজৈ। ফৈ, মদোমদ লেম্না শান্নসি হায়রবসু কিগদব নিংথৌ মচা নত্তে ঐ। (শিংজং হুট্নে) মুন্না তাও নোংপোক লৈম, ওসি শান্নদোরিব কাংজৈসিগী কাংক্রুম ওইদোরিবা। নংন ও'স বিচার পতিগী আসন্দ ফমহুন ইমানীগী মরক্ত অমবু খনব তারি, মতম খর ইমা-নীন তিন্নরকইব অসিগী হেক্সংনফম খোকপ মুংশিবহু য়াওদন বিচার তৌ। ইমানীবু নোন দরখাস্ত থারকপ কেন্দিদেটনি থল্লু, ইমানীগী মরক্ত কনাবুন নংন হেন্না মুংশিবগে অশেংব প্রেমগী রাই পীয়ু।

অহাও— অশেংব প্রেম পুক্নুংদগী থোরকপ ঈকুংন অপাম্ব খন-গনি হায়ন জজন রাশকপ তারে।

নোংপো— পূর্ব্বাচলগী চাং তুংরন, অতিয়া মুমিং থ', থব্রানমিচাক সাক্ষী ওইসনু, ঐ মীনমজরোই, অশেংব প্রেম তাক্লকপ মতুং ইন্না ঐ অপাম্ব খঙনি।

দিলিপ— নংন অতিথিনি, লৈবাক অসিগী মচানি, নোংপোকলৈমন

মুংশিখিনব হায়মিংব রা হায়তুন থেম্মো হায়।

অহাও— ইমানী পিক্লিচৈদগী শক খওনরকই পূর্ব্বাচলগী চৈন-য়োলদ শাংশী ইবেম্মা। মসি অচুম্বা নত্রা ?

নোং— মানি অচুম্বনি।

অহা— ঐন নংবু ইপি ভান মুংশিজে হায়ব নংন খংবীথি নত্রা থম্বালদৈ হেন্ন ফজবী ?

নোং— মানি অচুম্বনি।

অহা— নংনসু ঐবু মুংশিবিবগী খুদম কয়া উখি, মুংশিবিখিব অতু ওসি ফাওব মাংত্রি হায়ন নীংই—, শ্লেট্র কাংগ্রুন ইবদি ইশিংন মুথংলগ কোকপ য়াই, নংন ঐবু মুংশিবিখিব অতুদি দিজিপ্ত মতম থর চৈরুবন মুথিরোই নীংই। ঐন হায়রিসি অচুম্ব নত্রা শকহেনবী ?

নোং— অচুম্বনি পাখও, মুংশিব হায়বসি পাক পাক কোকপ মচু নত্তে।

অহা— নংন দিজিপ্ত চৈরুবতু মাইবী পাপ্লি পংথা থাজব অহল লমনশিংগী থোইনশিন্দৈনি; দিজিপকি লাইরা মত্র মতাংন শুমহংখিব ওইবসু য়াই। মতোন্দ চৈরুবসু নংগী নখরাই-নদি ঐবু মুংশিদব তৌদে। অচুম্বা নত্রা ?

নোং— মানি অচুম্বনি।

অহা – দিজিপ্ত চৈরুবতু নংগী লাইবক কব ওইগত্রা খল্লম্বনি, মতু হুজিক লাল্লে হায়ব নশান থল্লে, চাংয়াদ চেন্দুন নখোয়নী লোংলে, চৈবাকসু কায়রে চৈভাক পথাপশ্লানবদগী। নংগী

নিপা ওইরম্ব দিলিপ হুজিক আইর কাগে তাম্নরিব মীচেন ওইরে। অচুব নত্তরা?

নোং— মানি অচুবনি।

অহা— ঐবু হুজিক আয়ুবন যুবরাজ হাম্নিরে নহাক লৌরনি হায়বগীদমক। মরম অতুন ঐবু মুংশিবিরিব ইবেম্ম নংন ঐঃতোন্দ অমুক নয়ুম নাইতুন নরাইবক কবী ওইবিয়ু। মিষ্টর দিলিপ ঐগী দরখাস্ত লোইরে, নংগী অপাম্ব হায়ব য়ারনি।

দিলিপ— ঐন অহানব পূর্ব্বাচলদ খোংদারক্লগ মৈরানবীগুম্ব মণিরৈম নংগী নভান্দ পাইশিল্লুব মত্তমদ নংন থরাই তাব চীংজাও খোইমু অতৈ লৈরমগনি হায়ব থল্লুব্রে। নংবু মুংশিবদগী নরৈবাক্কি মীয়াম্বুস্থ মুংশিত্বন মতিক চাব চাদব থিদন কম পীরুই. মমল লৈব পোং কম্মা—পীথোকউই লৈবাক কোম্ব ভাকউই হুজিক ঐ অপণ্ডব তারে, মাইথীরে; ঐন মদং পীথিব মীশিংত্বন ঐবু হাংকে তানরে। ঐন ব্বারব লাইবক থীরব মতমসিদ পোকপদগী মুংভাইন হৌরকপী রাব হৈনদবী নংন ইতূং ইনব চুমদে। নংন পিক্লিভৈদৈ মুংশিনরকপ হুজিক্ক মরাইবক ফগংলকইব পাখণ্ড অসিদ অমুক নয়ুম পাল্লো। নংগী য়াইক্কবন ঐগী মুংভাইবনি, ইশান য়ারে— ইবেম্ম নংন মরুপসিদ লৈখিবদ ঐগী আপত্তি অমত্ত লৈরক্লোই।

(অহাওবন চোংশিন্দুন মথুং লোকই)

নোং— ঐগী ইম্মা তাখো ইবুং অগাওব। ঐ নংবু মুংশি, অত্বু

ঐ নঙ্গোম লৈব ভগ্নোই। অতৈ য়েংদন মুংশিব অপাম্বদ থন্দুন তাইবং মীন লোন লৈনব হৌনদে। নংদি পাথওনি, নরাইবক ফগৎলকইব—, কঙ্গবী অতৈ অমন নংগী মুপী ওইবদ নংগী করিম্ অকায়ব লৈতে। মরাইবক থীরব, ইশুং লাংশিদমক মরল মাংলব, মফম তারব নিপাসিশি মুপীদি অতৈ অমন পাক পাক ওইব ভয়োই। অরাব মতমদ মাবু হুন্দোকপ পূর্ব্বাচল নিঙোলগি গৌন লৌচৎ নত্তে। মরম অসিন মুংশির। ইবুং ঐবু আশা তৌহুন নংন লাকইবসি কাম্রে তায়ব থঙজ্ন, অতম কুইন লৈবিহুন ঐগি মথরাই মুংঙাইত্রব মরুপকি অরাব হেঙ্গৎহনবিরম্। হারৌবিম্—।

অহাও— তৌম্ নোংপোক লৈগ, নং লুখ্রাবী ওইজনি, নংগি নি-পাসি আইম মঙক তাম্নরবনি হায়ব থঙজ্।

নো— মরম অতুনস্থ'ন ঐন মাবু থাদোকওইদোরিব— য়েংসি নোংপোক লৈম ঐন হিংলিঙৈদ কবম্ আইম ঐগি ইবুংঙোগি থুর ইদগি মতু নাম থংলবগে হায়বতু। চংলো ইবুং, আ-রুবত তাকউ, দিলিপ অমদি মাগি থরাই শেম্নবী নোংপোক লৈম চীংয়াসিদ লৈহৌই হায়ন তাকপিরু মনা ফংনবা। ঐবু মুংশিবিথিবগি লম্মন মতুন শিংব ওইজগে। নমস্তে।

(দিলিপ মখুৎ পাম্নহুন ইমুংদ চংথি)

অহাও— ইকাইব নাইদব, মুপীগ মমিংপু থাজগনব অপঙব ঐ হিংবগি করি কাম্নরি। (থাংলোথোকই মাকন্দগি) মুরাই-দদি মত্তে, শিরুব হকচাংব ঐগি, মীঙোন্দ ওৎহনব হৌনদে।

লোকচপ্তু চংলগ চৌ,ং, অমম্ব উচেন্দ চেম্বহনখিব তায়—পুন্সি. কাগ্নত্রব ঐগি।

(রাখল মুংঙাইত্তন চংখি)

ওহাক লৈরগ মৈরা পাগ্নব মীয়ায় অরাপ্পদৈ রা রা লাওন কৌরকপ তায় "দিলিপকুমার, নোংপোক লৈমা, দিলিপ, নোংপোক..." হায়তুন কৌরব ওহাক তারগ তুমিন্ন লেপখি।

থা'মৈ পায়তুন নোংপোক লৈমন মাং থাতুন দিলিপ্প শিংজং পায়রগ থোরকই।

দিলিপ— আয়ুবন থারকপ মীয়াম ওইরব্ব তায়, শিংজংন থায়-তুন হাৎলগ লোইরে।

নোং— অমুক্ত তপথবিথো, ঐগ থেংনজগে। লাকসনু কনা কনানো পূর্ব্বাচল বাসী ঐগ রা ভাংনগে, লম হেল্লবদি তৌবিমল থওদ্রবদি ইখুংতা পায়রিব ছুরিসিন ঐহাক কনানো হায়বহ ভাব তাহনগনি।

দি— শিব কিত্রব ঐহাক্ক কিগদব মী কনানো—লাকনিংব য়েক্রব লাকসনু—নহাক মুপীন নিপা ঐ লৈরিডৈদ করিপি মীয়ামগ রা ভাংনগদগে ?

নো— ইরৈবাক মচা মপেলনি ঐদি, অতুন ঐগ হায় রা থর ভাং-নজগে তুমম্ম তাবিয়ু।

লালুপ্প চিংতুন ময়াম হায়বদি নবদ্বীপ, বসন্ত, লশীংলৈ মৈরা পায়তুন লাকই। উবদ হরাউনৈ।

নোং— হৈমা, ঐথোয় পাবুংথোইনীনা লাকইবশিংসিদে।

লালু— মুখীমচ, নোংপোক-লৈমা ! নথোয়নীদি ওন্থোকপ চাংথোক অমদ লৈরা-মদা ! ঐথোয়দি নথোয়গী খিবক লম্মাংনক-রেদনা ।

(অনীতুন মপা মকুবোক খুরুমই)

লাকও লাকও চৎসি—পূর্ব্বাচলগি নিংথৌ খুভম হাং-হৌরে—ইংন অমুক পাল্লুরসি ।

দি— আয়ুবপু করম তৌত্রবগে ?

বসন্ত— লমংেনব মী উশিন্তব থকসি খাসি লাইদব নিপাচু মথ-রাই থাগ্রে । মুপী অডাংদ করেমবগি ।

লমীং— ঐন হাংপনি রাজকুমার—মহাক য়ায় ডাওশন্নবগি—চুরী চাবনে ।

লা— শিরব তুংদ খুং পেন্নব থাংন খিনব ঐস্নু য়াওই ।

নবদ্বীপ— পূর্ব্বাচলগি প্রজা ময়াম রাজকুমারবু অমুক হন্ন লৈবাক ডাকপিরনব কৌব লাকচরিবনি ।

নোং— চুক্তিক্তি কনান নিংথৌ খুভম শেন্নখৌরিবা—? পাবুংদি সোমদ— ।

লালু— হেরা, নথোয় খিবিনব মতিক চাব মী লৈত্রতুন—ঐন লুচিংতুন লাকইবসিনি—। নমাসিবু ঐন য়াং চাওই হায়তুন নিপাগি ফিজেৎ শেংহল্লগ নিংথৌ শ'তুন থনম্মবনি, ঐন শাবতুনদি পিকতক তেংতক তৌবনিন মীন কয়া উশিং-লোই হায়তুন নংথায়বু কৌবদ ঐবু শিক্তিন্নরক্লবনি । চৎ-লসি খীনব য়াগ্রে ।

দিলিপ— অহুদি থিনব চুমন্ত্রে মতম্ন ফজ্রবনিন।

নোং— করে, ময়াম্মক লেংলসি। ঐখোয় ইমাসিন নিপা শাহুন ভাকহৌবকো পাবুং ?

লা— নমাসিন নিংথৌ শাবদি করি হায়নি ইবেম্মা ইম্মোক্ক ফজখ্রে —ঐগি বা নত্তেকে:— লৈবাক্ক হায়নবনি।

নবদ্বীপ— ফজব অশেংবনি ইবেম্মা।

জৈ জৈ রাজকুমার দিলিপকি জৈ।

(ময়াম খুমই)

দি— জৈ জৈ পূর্ব্বাচল প্রজাগী জৈ।

(ময়াম খুমই)

(লাওহুন চংখি)

লোইরব।